অনৌবা ৱাখল কয়া হাপচিন্দুনা চাওথোক্লবা অহুমশুবা খুৎনম।

# মীতৈ / মৈতৈ করম্বনা চুম্বগে? য়েক সালাই করি–করিনো?

ৱাংখেমচা চীংতমলেন।

অহানবা ফোঙবা : ৱাংখেমচা চীংতমলেন
সগোলবন্দ থাংজম লৈরক, ইম্ফাল
১৯৯৩
ফোন : ৮৯৭৪৫৭৭২১৩
email: chingtamlen@gmail.com

অনীশুবা ফোঙবা : কংলৈ পাথৱে ফোর ট্রেদিশ্নেল হেরিতেজ
(কংলৈপাথ)
কৈশামপাৎ, ইম্ফাল।
২০১৪

অহুমশুবা ফোঙবা : ৱাংখেমচা চীংতমলেন
সগোলবন্দ থাংজম লৈরক, ইম্ফাল
২০১৫
ফোনন : ৮৯৭৪৫৭৭২১৩
email: chingtamlen@gmail.com

মমল : লুপা ৮০/-
কোপী মশিং : ১০০০/-

নম্ফম : ৱিজার্ড ওফসেট প্রিন্টিং, সগোলবন্দ

# ৱাহৌদোক

তাইবং মালেম অসিগী পীকখ্রবা শরুক অমতমক (Geographical Area) কনবা, মীশীংশু খজিক্তমক ওইবা অদুবু মালেম অসিদা ঙক্লরবা অকল অথৌ, থৌনা, নীংতম্বা, তেন্তম লানঙাক, লাম্তাবগী মওং মতৌদা য়ুম্ফম ওইবা শগোল কাঙজৈ, মালেম্না (Polo) হায়রগা খঙনবা মশান্নবু পুথোকপা অমসুং মালেমদা মমিং চৎলবা মীতৈ জগোইবু (Manipuri Dance হায়রগা খঙনরবা) পুথোকপা ইরুপ (জাৎ) অসিগী মমিং করি কৌরম্বগে, করি কৌফম থোকপগে অসিনচিংবা ইরুপ অসিগী মশক তাকপদা য়াম্না মথৌ তাবা (Basic ওইবা) ৱাহং খরগী পাউখুম পীয়ু, ইরুপ অসিগী মাঙদা তাদুনা লৈরবা হৌজিক য়েৎনরিবা ৱাফম (Concept) কয়াগী মনুংদগী অচুম্বা পুথোক্তুনা (খন্দোক্তুনা) কঙাওনরবা মীয়ামগী মমাঙদা থম্মু হায়দুনা শিন্নরিবা থবক অরায়বা নত্তে। অদুবু ইরুপ অসিগী মনুংদা পোক্তুনা হিংলিবা মীওই খুদিংনা ইরুপ অসিগী ইপা ইপুনা থনম্বা লন , অৱাংবা ৱাখল, শক্তম ঙাক্তুনা থম্বা/কন্নবা হোৎনবা থাহৈদ্রবা থৌদাংনি। মসিগী মরুওইবা ৱাখলশিং অসিগা লোয়ননা অরেপ্পা থিবা থৌপুলোয় কাঙলুপ, কংলাগী নহারোলশিংনা শিন্নবা অচুম মথৌ শুবা ৱারেপ্পগী থৌদাং অসি শরি ৱাশক্তুনা লৌজখিবনি। মীফম অসিনা চথরিঙৈদা অইবা ৱায়েৎ কয়া পুথোক্তুনা

য়াম্না মরুওইবা থৌদাং কয়া লৌরম্বা মীওই খরনা মীফম থাদোক্তুনা চৎখিবা থম্মোয়দা নুংঙাইতবা পোকহৌই। অদুবু চৎলিবা খোঙচৎনা ইরুপ অসিগী লন-থুম, ইপা-ইপুগী অৱাংবা ৱাখল, শক্তম কন্নবা শরি ৱাশক্লদুনা চঙশিল্লকপা ওইবনা পেন্দবা খরা থোক্লরবসু অশেংবা পুকচেল, ৱাখল্লোন, অশেংবা শক্তম ঙাকনিংবগী পান্দমদি করিসু খেৎনবা লৈতবনিনা খেৎনবা থোকপা হায়বসি তাইবংগী হৌনশানি খঞ্জদুনা ৱারেপ্পগী থৌদাং অদু অদুম কায়দনা লৌগে হায়না খঞ্জখি। শরি ৱাশক্লি। মপু মানা খঙসনো। লাইনিংথৌ মানা নিংবা ওইসনো। লাইনিংথৌ মানা অপাম্বা পাঙথোকশনো।

## মিং ইবগী মওং:

তাইবং মালেম অসিদা থাঙ-তা, নোংমৈ, পাঙ্গলনা ইরুপ অমবু নমথরকপদা মদু মতম খরগী মনুংদা ইরাই লায়না নাম্থোকপা, ইম্থোকখিবা ঙম্না য়াই। জাতি অমবু জাতি অমনা Physical Domination তৌবা হায়বসি Permenant ওইবা ইয়া য়াদে। মসি কনখ্রবা অমেরিকানা জপানবু অনীশুবা লাঞ্জাওদা তৌখিবা অদুগা হৌজিক মখোয় অনীগী মনুংদা লৈনরক্লিবা মরি অসিনসু তাকই। অদুবু জাতি অমনা জাতি অমবু ইনাৎকী মীনাই ওইহনখ্রবদি মদু হোংদোকপা য়াদবা মওং Permenant Feature অমা ওইরকই। মসিগী ৱাফম অসিনি জাৎ অসিনা হৌজিক নঙলিবা অৱাবসি। মীং ইবগী মতাংদা জাতি অসিগী নহারোলশিংনা হৌজিক লাইশ্রম ইবোমচা সিংহ ইরম্বগী মহুত্তা I.S. Laishram (ইবোমচা সিংহ লাইশ্রম) নচিংবা ইনরকই। তশেংনা খঙদবা ভাব তাদবগী মওংনি। মথক্তা ইখিবা মিং ইবগী মওং অনীমক লাল্লি। জাৎ অসিগী ইনাৎ, ইপা-ইপুগী শক্তম



ঙাকসি হায়রবদি মওং অনীমক থাদোক্কদবনি। অশেংবা খঙগদবনি। মসিগুম্না মীয়াম্না মিং ইবগী মওং ফাওবা ইপা ইপুনা করি তৌরম্বগে হায়বা খঙলক্ত্রবা মতমসিদা জাৎ অসিগী নহারোলশিংদা ঐখোয়না করি পাওতাক পীগদগে, ঐখোয়দা হংলিবা ৱাহংনি।

জাৎ অসিনা নুপাগী মীং ইবা মতমদা য়ুমনাক ইরগা মিং ইবা চৎনরম্মী। য়ুমনাক হায়বা ৱাহৈ অসি কুইদ্রিবা ৱাফমনি হায়বা তারগসু জাৎ অসিনা য়ুম্নাক লৈবা হৌরকপা মতমদগীদি য়ুম্নাক ইরগা মমীংনা মথংদা ইবা হায়বসি চৎনরকই, জাৎ অসিগী ইনাৎনি। পুয়া অমসুং অরিবা লাইরিক্তগী খুদম খরা-লাংকোন লুখোই (ময়েক ১৮ দা ইবা ৱাচেৎলোন পথুপ) লাংকোন হায়বা ৱাহৈ অসি লাংকোনচম (হৌজিক্কী লাঙ্গোলজম) হায়বনি। য়ুম্নাকনি, লুখোই হায়বসিনা মিংনি। লাঙ্গোলজম লুখোই হায়বনি; থোকচোম থোকচাও পাংকনপা (ৱাকোকলোন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া), থোকচোম য়ুম্নাকনি, থোকচাও পাংকনপা মমিংনি। থিংবাই অমাকচাম্বা- চৈ: কু: লা:৫। থিংবাই হায়বা ৱাহৈসি য়ুম্নাকনি, হৌজিক্কী থিংবাইজম ওইবা য়াই, অমাকচাম্বা মিংনি। শকাবদা ১০৮৫ দা হায়বদি ঙসিদগী চহি ৮০০ গী মমাংদা জাৎ অসিনা মিং ইবদা শিজিনরম্বগী মওংনি। লাংপোকচম মোইরাংঙাগী কুম শক ১৪৩১, হাওবম মোরিগী কুম শক ১৪৩২ (চৈ: কু: লা: ১১)। মৈদিঙু কোইরেম্বনা পাল্লিঙৈগী ৱানি। চৈথারোল কুম্বাবদা মিং ইবগী মওং অসুম্না সুম চত্থরকপনা লৈমায় ৬৪৭ হায়বদি বোধচন্দ্র মহারাজগী মতম ফাওবা কায়দনা য়ুমনাক ইরগা মিং ইবা চৎনরকই। খাঙেনবম চন্দ্র সিংহ না চৈথাবা কুম শক ১৮৬৯-চৈ: কু: লা: ৬৪৭ হায়বদি খৃ: ১৯৪৭ ফাওবদা য়ুমনাক

মিং ইবগী মওং অসি অসুম্না কায়দনা অদুম চত্থরকই। মৈতৈ/মীতৈ কাঙবু অনীমকসু খেৎনবা খর নত্তনা য়ুম্নাক ইরগা মিং ইবা হায়বসি য়ানৈ । হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয়না লাইশ্রম মচা নুপা ইবোয়াইমা হায়বা অমগী মীং ইবদা, পুয়া অমসুং অরিবা লাইরিক্না তাকপা মতুং ইন্না ইপা ইপুগী শক্তম কায়দনা ঙাক্তুনা থমগে হায়রবদি "লাইশ্রম ইবোয়াইমা" হায়না ইগনি। অতোপ্পা খুদম খরা ৱাংখেম তোলচৌ, য়ুম্নাম তোম্বা, নাওরেম লৈফোল-অসুম্না ইগনি। নুপাগী মীং ইবগী মওং অসি ৱারেপ ৱাচুম শুবা পুম্নমক্না য়ানখি।

অদুবু নুপীগী মীং ইবা মতমদদি ৱারেপ ৱাচুম শুবা ৱারেপ্পা ময়ামগা ঐগা খেৎনরে। ময়াম পুম্নমক্না নুপী লৈশাবী অমগী মীং ইবা মতমদা চনু নত্রগা অতোপ্পা য়ুম্নাক অমসুং মিং নত্তবা হাপ্পা য়াখিদে। য়ুম্নাক্না মিংগদমক ইগনি হায়না য়ানখি। খুদম ওইনা য়ুম্নাম নীঙোল লৈশাবী অমগী মীং ইবদা - য়ুম্নাম ইবেমহল- অসুম্নত ইগনি হায়না য়ানখি। ময়ুম পাল্লবী অমগী মীং ইবদসু য়ুম্নাক্না মীংগদমক ইগদবনি হায়না য়ানখি। নুপীগী মিং ইবদা চনু নত্রগা লৈমা হাপ্পা মথৌ তাদে হায়না ৱারেপ ৱাচুম শুবা পুম্নমক্না য়ানখি। মতাং অসিদা ঐগা খেৎনখি। চনু নত্রগা লৈমা হাপ্পা মথৌ তাই হায়বসি ঐগী ৱাখলনি।

মীতৈ/মৈতৈ কাঙলুপ অনীমক্না পীখৎলকপা অইবা ৱয়েৎ-ৱারোল মুন্না পারে অমসুং মখোয় মখোয়না পনবা পুয়াশিং, লাইরিকশিং (Reference Puyas and Books) য়েংলে। পুয়াশিং অমসুং অরিবা লাইরিকশিং অসিনা তাকপা নুপীশিংগী মীং ইবগী মওং খরা মখাদা পীরি।



"নুলা ইপেম্মা হুইমু লৈমনা কোইলৌ মমিনা ৱাংনা ঙৌনা য়ুংপা খোংলৈ মতমতা নৱানা তাইপংপালতা ফাওপনা লুৱাং মিংথোল ফংচখিয়ে। ... নুলা ইপেম্মা লৈথম তালি লৈমনা কোইলৌ মমিনা য়ুংনা থক-খা ঙানপা। ... খা ঙানবা মীংথোল ফংচৈয়ে।" - "নুলা ইপেম্মা লৈমা উলুম খাওচাও তোনপীনা কোইলৌ মমিনা অয়ুক্কী ইচিক। অমম-অঙান মুনা ঙাঙ্গা শিন্ননা লাংপা মতমতা নৱানা তাইপংপালতা ফাওলকপনা মোইলাং হায়না মীংথোল ফংচৈয়ে।" অসিনচিংবা -ময়েক ১৮ না ইবা ৱাকোকলোন হিলেন থিলেন সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়া। মথক্কী সলাই সখায় শন্দোকপগী মতাংদা নুপীগী মীং ইবগী মওং অসি ৱাকোলোন থিলেন সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদসু চপ মান্ননা য়াওই। "শকাবদা ৩৫০ দা নাওফংবনা নিংথৌ ওইয়ে। মসিগী মখৈদি মীদা তারকএ। কাইরৈ মাগা ময়েংবম হাওরৈমা চনুগা অনীমা পান্নদুনা কাইরৈমানা শমৈরাং পোকএ" - চৈ: কু: লা: ৩। চহি ১৫৬২ রোমগী ৱানি । "মৈদিঙু কোইরেংবনা হিয়াঙ্গৈ হিদোংবদা মৈতৈ লৈমা লুৱাংবীবু তোরা নাইয়ে হায়দুনা মপা অঙো পাম্বা লোইজা ঙম্বনা তাখিয়ে "- চৈ: কু: লা: ১১। খৃ: ১৫১০ রোমগী ৱানি । "ৱাহেংবম তোরাগী কুম শক ১৫০৬ খুরাই লৈমা তখেল চাইবী পোকএ"। - চৈ: কু: লা: ১৮। "লংমাইজিংগী অহিংদা মৈতৈ লৈমা সেরেম্বী ৱাকোংএ"। - চৈ: কু: লা: ৩৪। "হাওবম চনু মৈতৈ লৈমা পোংলেনখোম্বী ফম্বাল কাইএ "। - চৈ: কু: লা: ৩৫। "মহারানি মৈতৈ রৈমা ঙাংবম চনু প্রেম ময়ি লৈরি লৈশংখোম্বী নোঙ্গাই"। - চৈ: কু: লা: ৫৯৮। খৃ: ১৯২৬ কী ৱানি। "নোংয়াই খুমন চনু অতোন শংলৌরেমপী" - থেনখেৎলোন পুয়া। (লৈমপোকপম নব মৈতৈনা পুথোকপা)

মতৌ অসুম্না অরিবা পুয়াশিং অমদি চৈথারোল কুম্বাবদা নুপীগী মীং ইবদা চনু নত্রগা লৈমা য়াওবা মশিং থিবা ঙমদনা ফংই। ঐখোয়না পুয়া অমসুং অরিবা লাইরিক য়াম্না, মীয়াম পুম্নমক্লা চংবা য়াবা মফম লাইব্রেরিগুম্বা লৈরবদি ইরিবা জজমেন্ট অসি অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংগদবনি। অদুবু ময়াম্না পুথোকপিরকপা খরতমক উবা ফংবা অসিনা জজমেন্ট অসিগী অৱাৎপা খরদি থোকই। অদুবু জাৎ অসিগী নুপীগী মীং ইবদা ইপা ইপুশিংনা ' চনু , লৈমা ' শিজিনরম্মী হায়বা অসিমদি শেংলে। জাৎ অসিনা ইনাৎকী মীখা পোনবা মপুং ফারকলবা চহি ৩০০ মুক শুরক্লবা মতম হায়বদি চুরাচান্দ মহারাজগী মতম অদুৱাইদদি চনু নত্রগা লৈমা শিজিন্নবা ৱাৎলে "থৌদাম মচা লৈশাবী রজনি হৱানা তকতুনা শিরে" - চৈ: কু: লা: ৬০৩। খৃ: ১৯৩০ অদুৱাইগী থৌদোকনি। "ইবেম্মা শ্রীমতি ইশ্বরী দেবীবু মহারানি থিন্দোকই" - চৈ: কু: লা: ৬৩৫। খৃ: ১৯৪২গী ৱানি।

মতৌ অসুম্না জাৎ অসিনা নুপী ময়ুম পান্দ্রিবী লৈশাবীবু "চনু" হায়না খঙনরম্মী। ময়ুম পাল্লবী মৌবু "লৈমা" হায়না খঙনরম্মী। চনু হায়বসিগী ৱাংউলোনগী য়ুম্ফম চপ চানা হায়বা ঙমদে। কংলৈপাক্কী নোংচুপ অমসুং খা-নোংচুপলোমগী চীংগী জাৎ খরনদি শাগৈগী নিঙোল লৈশাবীবু "চনু" কৌই। চীংগা-তমগা য়াম্না নক্লরম্বগী শকফম অমদি উই। অদুগা "লৈমা" হায়বা অসিগীদি য়াম্না ৱাংবা ইপা-ইপুগী ৱাখল ফুমদুনা লৈ। জাৎ অসিনা তাইবং মালেম (মালে + ইমা) পৃথিবী অসিবু ইমা লৈমরেল শিদবী কৌই। তাইবংপানবগী মমাগী শক্তম লৌরিবী, অপোকপী মমা অমনা মচাশিংদা তৌবগুম মথৌ পাঙথোকলিবী মালেম



ইমা অসি কয়াদা নুংশিখ্রবনো ! মহাক্তি পলেমবু পোকপি পলেমনি, তাইবং মালেম (পৃথিবী) অসিনা পুম্নমক্কী মমানি, মালেমদা পোকলিবা মচা মীওইবশিংনা অৱাবা পীরে য়ারবী, মচাশিংগীদমক্তা অৱাবা খাঙবদা নোংমতা ঙমখৈ থমদ্রবী ময়ামবু য়োক্লিবী ইমানি। ঐবু পোকপী ইমানা ঐতবু পোকপী ইমানি। নুপী অমনা ময়ুম পান্দুনা (মৌ ওইরক্তুনা) মমাগী শক্তম লৌরকপদা ইমা লৈমরেল শিদবী মহাক্কী শক্তম লৌরকপনি। থা ১০ নাওপুরক্কনি, মচাবু চাওনবা য়োকপদা অৱা-অনা কয়া ফোঙদোক্তনা খাঙবা তারক্কনি। কয়াদা চাওখ্রবা মপু মাগী খুৎশেমদা শরুক য়াখ্রবনো। মরম পুম্নমক অসিনা জাৎ অসিগী ইপা-ইপুনা তৌবীমল খঙবা অমদি মীনুংশি খঙবা ৱংউলোনগী য়ুম্ফমদা তাইবং মালেম (পৃথিবী) বু ইমা 'লৈমরেল' (লৈমা + লেন) শিদবী অদুগা তাইবংগী মীওই মপোক্তা পোকলবী পলেম ওইবী নুপী অমবু 'লৈমা' মীংগৌনরম্মী। য়ুম পাল্লবী নুপী অমগী মীং ইবদা 'লৈমা' হায়বা ৱাহৈ অসি লৌথোকখিবদা ইপা-ইপুগী ৱাংলবা ৱাখল্লোন, ৱাংউলোন অসি মালেম অসিদগী মাঙখিগদৌরিবনি। য়ুম্বাল্লবী নুপী অমবু 'লৈমা' হায়না থোনবদা, মীংগৌনবদা ৱাহম্থোক ফজনা খঙনা ইকাই খুম্নরক্লবদি ঐখোয়গী মীয়াম মরক্তা মোরেলিতি, থকসি-খাসি অমদি মীনুংশি অমদি তৌবীমল খঙবা হেনগৎলক্কনি।

অরোইবদা, জাৎ অসিগী শক্তম ঙাকসি, ইপা-ইপুগী অশেংবা মচাশিং ওইসি, হায়রবদি ৱারেপ ৱাচুম শুবা ঐহাক্লা অসুম্না হায়জরি - নুপী ময়ুম পান্দ্রিবী অমগী মীং ইবদা - থোকচোম চনু চাইবী, লাইশ্রম চনু শকহেনবী... অসুম্না ইগনি। থোকচোম চাওবী চনু হায়না ইবা

লাল্লি। 'চনু' হায়বা ৱাহৈনা শাগৈ য়ুম্নাক অদুগী ময়ুম পান্দ্রিবী লৈশাবীবু খঙনবনা য়ুম্নাক্কা থংননা মীংগী মমাংদা ইগনি। ময়ুম পাল্লবী নুপী অমগী মমিং ইবদা- য়ুম্নাম য়াইফবী লৈমা, ৱাংখেম ইবেমহল লৈমা... অসুম্না ইগনি। য়ুম্নাম নত্রগা ৱাংখেম ... নুপা ময়ুমগী নত্রগা মাগী হৌরকফম শাগৈ ওইবা য়াই। মসি ফিভম অদুগী মতুং ইন্না অদুম খুদোংচাগদবা অদু তৌগনি। ঐখোয়না দোকুমেন্ট অমা ইনরকপা মতমদদি ইশাগী খুৎয়েক (সহি) পীবা মতমদা য়ুম্নাম য়াইফবি লৈমা হায়না ইরগা দোকুমেন্ট মখাদনা থোকচোম চনু য়ুম্নাম য়াইফবি লৈমা - নুপা য়ুম্নাম চাওবা অসুম্না ইবা য়াই। অদুগা 'লৈমা' হায়বা ৱাহৈসি পুয়া অমদি অরিবা লাইরিক্কী মতুং ইন্না মীংগী মমাংদা ইবসু য়াই। খুদম - লৈশাংথেম চনু য়ুম্নাম লৈমা চাওবী, য়ুম্নাম লৈমা য়াইফবি, লোংজম লৈমা নুংশিরৈ... অসুম্না ইবসু য়াই।

### লৈপাক্কী মীং

মৈতৈ অমসুং মীতৈ কাংবু অনীনা লৈপাক অসিগী মমিং অসি তোঙাননতোঙানবা কয়া পুখৎনরকই। মৈত্রবাক, মৈতৈ লৈপাক, মীতৈ লৈপাক, পোইরৈ, কংলৈপাক। মৈতৈ অমসুং মীতৈ কাংবু অনীমক্কী পীখৎলকপা অইবা ৱায়েৎ চে অমত্তনা লৈবাক অসিগী মমিং মণিপুর কৌরম্মী মহাভারতকী মণিপুরনি, লৈপাক অসিগী মমিং মণিপুর কৌগনি হায়বা অসি য়াদে। মরম অসিনা ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাংবুনা খন্নবদা 'মণিপুর' কৌগনি-কৌরোই হায়বা ৱাফম অসিমক হান্না লৌথোকলে, খন্নদ্রে। ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাংবুনা হন্না-হন্না খনরবা মতুংদা লৈপাক অসিগী ইপা ইপুগী কোক লেম্ফুদা মরা তাবা পুয়াশিং অমদি অরিবা লাইরিক কয়ানা শৌগৎপা ৱাংউলোন্দা য়ুম্ফম ওইবা অমদি চীং অমদি



তমগী থাইনগী অমত্তা ওইরম্বা অদু পুরক্লবা, হান্নসু অরিবা মতমদা কৌরম্বা 'কংলৈপাক' হায়বা ৱাহৈসি হৌজিকসু লৈপাক অসিগী মমিং 'কংলৈপাক' কৌগনি হায়না চপ মান্ননা য়ানখ্রে।

### ইরুপ/জাৎকী মিং

ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাংবুগী কোক্তা খ্বাইদগী অৱাবা পিখিবা ৱাচুম শুবা কাংবুগী খ্বাইদগী মতম লৌখিবা, পুয়া কয়া মফম কয়াদা চৎতুনা হনজিন হনজিন ফাকখিবা ৱাফমদি ইরুপ/জাৎ/ফুরুপ ঐখোয় য়াওরিবা মীয়াম কাংবু অসিগী মিং করি কৌরম্বগে; করি কৌফম থোকপগে হায়বা ৱাফম অসিনি। অশিবনা অহিংবগী মতেং পাংই, অহিংবনসু শিখ্রবগী মতেং পাংফম থোকই। চুমখ্রবা ৱাফমনি। লৈখিদ্রবা ইপা ইপুশিং অদুনা তুংদা পোক্লক্কদবা ঐখোয়গীদমক মমল য়াম্লবা লন কয়া থথম্বীরমই। ঐখোয়না মাংদনবা ঙাক শেন্দুনা থম্লবদি মচা ঐখোয়না লোইনাইদ্রবা লোমনাইদ্রবা নুংঙাইবা কান্নবা ইপা-ইপুগী লনদগী ফংগনি। ইপা ইপুগী মিংচৎ লন কন্নবা থৌৱাইনা পোম্থা ওইদুনা হোৎনসি।

অরিবা লাইরিকশিং অমদি পুথোক্লরকপা পুয়াশিং অমদি ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাংবুনা চৎতুনা য়েংজরুবা পুয়াশিংদা মৈতৈ অমদি মীতৈ হায়বা ৱাহৈশিং (Concepts) অসিগী ফিভম মফম য়েংসি। মৈতৈশিংগী মনুংদা খরা অমদি মীফমগী অনিশুবা নুমীৎতা য়াওররোই হায়রদুনা চৎখ্রে। মখোয়না পনবা পুয়াশিং পুথোক্লমদ্রে। মৈতৈ কাংবুগী মনুংদা পুকচেল শেংনা ইচম চম্না ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাংবু মতেং পাংবিরম্বদি লৈচোনবম ইবোমচা মৈতৈ, Advisor, ঙাঙোম পাকা

মৈতৈ, প্রসিডেন্ট অমদি লৈমপোকপম নবা মৈতৈ, সেক্রেটরি (পোইরৈ ইনাৎ শিন্দমশংগী থৌপুরোইশিং) অসিনি। লৈ: নবা মৈতৈ, পোইরৈ ইনাৎ শিন্দমশং, মোংশাংগৈনা মহাক্না অইবা পিখৎপদা পনবা পুয়া মরিগী মনুংদা অহুমদি ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাংবুগী মাংদা পুথোকখি। পুথোকখিবা -- পুয়াশিং অদুদি ১. থেনখেৎলোন পুয়া, ২. খুনুং লৈকোইরোল পুয়া, ৩ পোম্বীলোনয়াংবী লমলেন পুয়া অসিনি। পুয়াশিং অসি খুৎইনি। চেশিং অমসুং ইরিবা মুকশিং অদু য়েংবদা (অচম্বা মীওইগী মিৎয়েংদা) চহি ৫০ গী মমাংদা ইরমগদবা মাল্লি। অশেংবা হায়বা ঙমদে। থেনখেৎলোন পুয়াগী (Ori) লাতম অনিশুবদা [illegible] হায়বা ৱাহৈশিং য়াওই। 'মৈতৈ' হায়দুনা পাবনি হায়। অনিশুবা পুয়া (Ori) খুনুং লৈকোইরোল হায়বা পুয়া অদুগী লাতম ৮ দসু [illegible] ৱাহৈসিমক য়াওই। অহুমশুবা পুয়া (Ori) পোম্বীলোন য়াংবী লমলেন হায়বা পুয়া অসিগী লাতম ১৪ দা [illegible] হায়বা ৱাহৈশিং য়াওই। লৈ: নবা মৈতৈনা পুথোকতুনা তাকপনি। 'মৈতৈ' হায়না পাগদবনি হায়। মহাক্কী ৱাহৈশিং অসি ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাংবুগা পুয়াশিং পুথোকপা মাইনৌ লৈ: নবা মৈতৈ গা Original দা verify তৌখ্রবনি। Original দা উদবদা অইবনা পিখৎলকপা অইবা ৱায়েৎতা [illegible], [illegible], [illegible] হায়বা ৱাহৈশিং অসি পুয়াশিং অসিদা য়াওই হায়। মহাক্না পিৎখলকপা অইবা ৱায়েৎ চে য়েংবিরগা উবিগনি। ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাংবুনা তাং ১৭-১০-১৯৯২ ইং দা কোনুংদা নামৈরাকপম ইবোচৌ, পণ্ডিত উনবা চৎখি। চৈথারোল কুম্বাবগী Original অমা পুথোকই। মৈতৈ হায়বা ৱাহৈ করিগুম্বা মখলগী বনান্দা উবা ফংদে। অতোপ্পা Original চৈথারোল কুম্বাবা অমা লৈ মদু তাং ১৯।১০।১৯৯২ ইংগী অয়ুক্তা পণ্ডিতকী য়ুম হাওবম মরক ইরোম



লৈকাইদা য়ান্নখিবা মতুংইন্না উনজরে। পণ্ডিতকী চৈ: কু: Original অমা, পান্থোইবী খোংকুল Original অমা, শকোক লমলেন Original অমা, পোইরৈতোন খুন্থোক Original অমা পুথোকপিরকই। কোনুংদা লৈবা চৈথারোল কুম্বাবগা য়ুমদা লৈবগা মান্নদে। খেন্নে। য়ুমদগী চৈ: কু: লা: ১০৬ তা [illegible] হায়বা ৱাহেসি য়াওই। মৈতৈ হায়না পাই। শকোক লমলেন পুয়াদা মৈতৈ লৈপাক হায়বা ৱাহৈসি লা: ৪ দা য়াওই। পোইরৈতোন খুন্থোক পুয়াগী লা: ৯ দা [illegible] হায়বা ৱাহৈসি য়াওই। অকোনবগী [illegible] হায়বা ৱাহৈ য়াওরিবা পুয়ানি হায়রিবা খুৎই লাইরিক অদু ঙৌরুনবা চেদা ইবনি। মুক অমসুং চে অদু য়েংবদা (অচম্বা মিৎয়েংনা) চহি ৫০ শুগদবা মান্দে। মথক্কী পুয়াশিং অসি ময়েক ৩৫ দা ইবনি। পুয়াশিং অসি শিংথা ময়েক হিন্দুগী ৱাহৈ ৱাতা কয়া য়াওবনা হিন্দুগী মতমদা ইরকপনি হায়বা ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাংবুনা উনখি। পণ্ডিতনসু পুয়াশিং অদু মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মতম অমদি মাগী মতুংদা ইবনি হায়না মত পিখি, য়াখি।

মীতৈ কাংবুনা পুথোরকপা পুয়াশিংগী মনুংদা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেন সলাই অমা-ইলোল পুকোক পুয়া অমদি ৱাকোকলোন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া অনিসিনা মরুওইবনি। পুয়া অনি অসি Original দা য়েংবদা মীতৈ ৱাহৈসি মফম অহুম মরিদা ফংখি। মথক্কী পুয়া অনি অসিগী মনুংদা ৱাকোকলোন হীলেন থিলেন সলাই অমা-ইলোল পুকোক পুয়া অসি National Archives of India, Janapath, New Delhi-1 দা থারুরে। National Archives of India না পুয়াগী খুৎইনা ইবা চেনা (Manuscript Sheet) অদু ১৮

শুবা চহিচাগী ওইবা য়াই হায়না মত পিরকই। মসি ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাংবুনা উনখি। মথক্কী পুয়াশিং অসি ময়েক ১৮ দা ইবনি। জাৎ অসিনা হিন্দু ওল্লবা মতমদা হিন্দুগী ৱাহৈ ৱাতা কয়া য়াওদুনা হিন্দুগী শাহুম ইথিন চংবগী খুদম উবা ফংদে।

কোনুংগী পণ্ডিত অমদি অতোপ্পা মৈতৈ কাংবুনা পুথোরকপা পুয়াশিং অসিদা য়াওরিবা [illegible] হায়না পাবা/পাই হায়রিবা ৱাহৈশিং অসি মখাগী ময়াম অসিনি , [illegible] (থেনখেৎলোন পুয়া), [illegible] (খুনুং লৈকোইরোল পুয়া), [illegible] (পোম্বীলোল য়াংবী লমলেন পুয়া), [illegible], [illegible], [illegible] (অইবনা পিখৎলকপদদি য়াওবা Original দা Verify দি তৌদবা), [illegible] (চৈ:কু:Ori ) [illegible] (সকোক লমলেন Ori), [illegible] (পোইরৈতোন খুন্থোক Ori) অসিনি। মৈতৈ হায়না পাবা, ৱারেপ ৱাচুম শুবা কাংবুনা পুয়া পুথোকপা কাংবুনা মতেং পাংদুনা উবা ফংজখিবা ৱাহৈশিং অসি অমুক পরেং ওইনা ইথোকচগে [illegible], [illegible], [illegible], [illegible], [illegible] হায়বা ৱাহৈ মঙা অসিনি।

পুয়াদা থেংনরিবা ৱাহৈ মঙাসি বনান অমত্তা মান্নদে। অদুবু মৈতৈ পুয়া পাইবা কাংবুনা লোইনা 'মৈতৈ' হায়না পাই/পাগনি হায়। ৱাহৈ মঙাসি বেঙ্গোলী ময়েক্তা অমুক ইথোকচগে - মইতই, মইতৈ, মাইতই, মৈতই, মৈতৈ অসিনি । Original পুয়াদা Authenticity and Antiquity গী ৱাহং অসি ঐখোয়না হংদনা বানান অমদি মশক শুকমান মান্নদ্রবা ৱাহৈ মঙাবু মতৌ করম্না মশক অমদি বনান অমখক্তা ওইবা [illegible] = মৈতৈ হায়বা ৱাহৈদা পাগদগে হায়বসি ৱারেপ ৱাচুম শুবা



কাংবুগী অৱাবনি। ৱাহৈ মঙামকসি ঐখোয়গী মাংদা চপ মান্ননা লেপই। [illegible] হায়বা ৱাহৈ অসিদি মঙাগী মনুংদা অমতনি। লেমহৌবা মরি অদু মতৌ করম্না [illegible] হায়না পাশিনগদগে? অদুগা পন্দবা য়াদ্রবা ৱাফম অমনা মৈতৈগী ঐখোয়না উজবা পুয়াশিং অসি হিন্দু মতমগী ঙাক্তনি হায়বসিমা খংই।

মথংদা মীতৈ কাংবুনা পুথোকপা মথক্তা পঞ্জখিবা পুয়াশিংদা মীতৈ হায়বা ৱাহৈসি চপমান্ননা Original দা ফংই। লীবা অমদি নৌবগী ৱাফমদা হিন্দু মতমগী মমাংগী পুয়াশিংনি হায়না য়াম্না চম্না য়েংবদা থাজবা অমদি পোকই। পুয়াশিংদা য়াওবা মীতৈ কৌখিবগী theory/concept ৱাচুম শুবনা নৈনবগী মথৌ তাদে হায়না খল্লি।

মীতৈ অমসুং মৈতৈ হায়বা ৱাহৈ অনিসিগী পুয়া/লাইরিকশিংদা তাকপা/উৎপা মতুংইন্না comparative study অমা তৌরকপদা ৱারেপ ৱাচুম শুবনা খংজবাদি 'মীতৈ' হায়বা ৱাহৈ/মিং অসিনা য়েলহৌঙৈদগী ঙসিফাওবা তৎতনা হোংদনা অদুম চথরকপনি। অদুগা 'মৈতৈ' হায়বা ৱাহৈ/মিং অসিনা হিন্দু মতমদগী শেমগৎলকপা/শাগৎলকপা, মদুসু হৌজিক ফাওবা শেগগৎ-শাগৎপা লোইদ্রিবা, হৌফম শাৎফম নিংথিনা লিখুন থিবা ফংদবা ৱাহৈ/মিংনি। মসি থমোই শেংনা য়াম্না কুপ্পা নৈনবা মী অমত্তনা চিংনবা পোকলোই।

ৱারেপ ৱাচুম শুবনা পাক চাওনা লাইরিক পাজরুবদা থেংনবা অনিখকতং Judgement অসিবু তেংবাংবা ওইনা ইদবা ঙমদ্রে। তাং ১৭।৪।৯২ ইং ইরাই নুমীৎতা Rev. Theodore Mathieson,

superior at the Oxford Mission, Barisha না Statesman (Newspaper) দা অসুম্না ইরকই "The fact is that God determined to create man in his own image. His own love was so tremendous, so expansive and diffusive, that it wanted more and more love ..." etc. Matthew গী Bible গী Genesis 1:26-31 দা অসুম্না ই "And God said, let us make man in our image, after our likeness ..." etc. মরম পুম্নমক অসিনা, ঐখোয়না হিংলিবা মতম অসিগী ৱাখল, পুকচেল খোইজেল মাংদা পুথোক্লবা পুয়াশিং/লাইরিকশিং, জাৎ অসিগী শক্তম ঙাকপদা তুংদা করি মথৌ তারক্কদগে হায়বা অমদি পাক চাওনা তাইবং মালেমদা কুপ্লা খল্লবা নৈনরবা মতুংদা ঐখোয়গী ইরুপ/ফুরুপ/জাৎ অসিগী মিং 'মীতৈ' কৌরমই, হৌজিকসু কৌদুনা লৈ, তুংদা অকাই অতোই থোক্তনা, শোয়দ-ঙামদনা 'মীতৈ' হায়না কৌখিনবা ৱারেপ ৱাচুম শুবনা অরেপ্পা ৱাখল্লোন পীজরে।

## লোনগী মীং

মথক্কী Judgement অসিদগী চৎথরকপা ওইনা, লেংবা য়াদনা লোনগী মমিংসু **মীতৈলোন** কৌফম থোকলে।



## ময়েক

মীতৈগী অশেংবা য়েলহৌঙৈগী ময়েকতি ১৮ তনি। ময়েক ১৮ অসিনা ইবা য়াদবা লোন/ৱাহৈ লৈতে হায়না খঞ্জে। য়াম্না scientific ওইবা মীতৈগী scriptology লৈ। মসিবু মাংদনবা মীতৈনা হোৎনফম থোকই হায়না ৱারেপ ৱাচুম শুবনা খঞ্জে।

W. Chingtamlen

ৱারেপ ৱাচুম শুবা ৱারেপ্পা

কংলা মীফম, Oct./1992

**নুংখঙ ঈলুপখিবা হর্নবিয়ু।**
**খংনা খংনা ইপা ইপুগী**
**মফমদা অরানবা তৌবীনু।**

অহানবা পন্দুপ

## য়েক করিনো?

### (১) ঈয়েক ঈলীক

মীতৈ ইপা ইপুনা পাক চাওখ্রবা ঙমখৈ লৈত্রবা, মথক মখা, খা-ৱাং নোংপোক নোংচুপ মাইকৈদি লৈবা, হৌবা অমসুং লোইবা লৈতবা মতম অমসুং নোংথৌ মনুং (Time and Space) কী ময়ুম ওইবা মফম অসিবু তিংপালপা, তেংপালপা হায়না কৌই। ইহাং হাংবা ইতিং তিংপা ইতেং তেংপাগী মপু অদুনা নোংথৌ-মনুং শেমগৎকে নিংলক্লে। তিংপালপা তেংপালপগী মপু মহাক্লা নোংথৌ মনুং শেমগে নিংলকপগা মহাক্কী নুংপুং ৱাখলদগী মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ , থৌৱাইমিচাক নিংথৌ তুরেল শিদবা, নুমিৎ, থা, মালেম, খোংচোং নুপী, চয়োল তরেৎ অসিনচিংবা পুম্নমক শেমলে। তাইপং পালপা (Universe) অমগী মওং শেমলে। তেংপালপা তিংপালপাগী মপু অমতা ওইবা অহানবা মহাক্কী মমিং ঈপুঙ লোইনপা আপকপা কৌই। ১ মপু মহাক্লা তিংপালপা তেংপালপা অসিবু শেম্বনি। থৌৱাইমিচাক নিংথৌ তুরেল শিদবা অসি

নচিংবা পুম্নমকসুমহাক্না নিংবদগী (মহাক্কী নুংপুং ৱাখলদগী) ওইখিবনি।

অহানবা ওইবা তেংপালপা তিংপালপাগী মপু, নোংথৌ মনুং পুম্নমক মহাক্না নিংবদগী ওইখিবা, পুম্নমক্কী হৌফম ওইবা, পুম্নমক মহাক্কী মফমদা য়াওবা মপু মহাক্কী মমিং পুয়ানা ১ ঈপুঙ লোইনবা আপকপা কৌই। "অমা" হায়বসি মহাক্কী অতোপ্পা মমিংনি। 'অমা' হায়রিবা পুম্নমক্কী হৌফম ওইবা ঈপুঙ লোইনবা আপকপা হায়রিবা অসি নোংচুপকী ৱাংউলোন্না Primordial/Primordial whole হায়রিবা অদুনি। ঈপুঙ লোইনপা আপকপা মহাক্কী মশাদা মীতৈগী লাইপুঙথৌ তরেৎ হায়বদি- (১) নোংপোক চীঙখৈ অপালপা, (২) অৱাঙপা কৌপালু, (৩) থাংচীঙ কোইরেল লাই, (৪) খানা চাউপা ৱাঙপুলেল লাই, (৫) ঈলাই পুলেল পুলিঙ লাই, (৬) লাইনিংথৌ পাংকলপা (৭) সলাইলেল সিতপা। লাইপুঙথৌ ৭ অসি মহাক্কী মফমদা পক্তুনা নপতুনা য়াওই হায়বগী মপু মহাকপু 'আপকপা' কৌই, মপু মহাক্না ঈ পুম্নমক্কী মপুংনি মপুনি, ঈ পুম্নমক্কী হৌফমনি হায়বগী মপু মহাকপু 'ঈপুঙ' কৌই, তেংপালপা তিংপালপা তাইপঙ পালপা পুম্নমক মহাক্কী মশাদা লোইনদুনা লৈ হায়বগী 'লোইনপা' কৌই। ঈপুঙ লোইনপা আপকপা মহাক্না পুম্নমক্কী মপানি, পুম্নমক্কী হৌফমনি। তেংপালপা তিংপালপা তাইপঙপালপা পুম্নমক মাঙোন্দগী ওইখিবনি। নুমিৎ, থা থৌৱাইমিচাক অসিনচিংবা পুম্নমক মহাক্কী অনিংবদগী ওইখিবনি।

**"লাইপুঙথৌশিংনা পুননা তিনশিননতুনা থোকপা মতিকপু ঈপুঙ লোইনপামক ওইয়ে। পুনশিনপা তিনশিনপা কৌয়ে। তিনশিনপকী খুততমতি অসিনে(/) ॥ ঈপুঙলোই আপকপাকী নুং-**



**সা সা-তুমপু খাইথোকপা অতুনা ৱাকোনপুঙতা লৈপা লাইপুঙথৌ ৭ তা য়েনথোকলে।''**[১]

তিংপালপা তেংপালপাগী মপু ঈপুঙ লোইনপা আপকপা মহাক্কী মশাদা লাইপুঙথৌ ৭ মক পুনশিনদুনা লৈ। অমরোমদা অমুক হায়রগা অহানবা ওইরিবা পুম্নমক্কী মপু ওইরিবা মহাকসে লাইপুঙথৌ ৭ না পুনশিনদুনা ওইবনি। অমরোমদা অমুক হন্না হায়বদা ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মপু ইবুংঙো মহাক্কী মশাসে সরুক ৭ না শাবনি, সরুক ৭ থোক্না খাইদোকপা য়েনথোকপা য়াই, সরুক ৭ অদুগী অমমম অদু লাইপুঙথৌ ৭ নি। শম্না হায়বদা 'অমা' হায়রিবা অহানবা (First Principle) মপু, মীতৈনা ঈপুঙ লোইনপা আপকপা কৌরিবা মহাকসে লাইপুঙথৌ ৭ না পুনশিল্লগা ওইবনি।

মথক্তা ৱাহৈ পরেং খরা শন্দোক্না অইবনা ইজরিবসি পাবিরিবশিংনা মথক্কী ৱাকোকলোন হীলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদগী লৌথোকচবা ৱাহৈ পরেংশিং অদুগী ৱাহন্থোক খংবিনবনি। মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকচবা ৱাহৈ পরেংশিং অদুদা "নুং-সা সা-তুম" হায়রিবা ৱাহৈশিং অসি য়াওরি। হায়রিবা "নুং-সা" অসি ৱাহন্থোকতি "নুং' - ৱাখলদগী, নিংবদগী ওইরকপা "সা" হায়বদি হকচাংগী শরুক সাদোং অমসুং ঈনা শাবা, "সা-তুম" অদুগুম্বা শাগী মতুম হায়বনি। মীতৈগী ৱাংউলোন (Philosophy) অসি নুংলোন (Idealism) নি। তেংপাল তিংপাল তাইপংপাল অসিচিংবা পুম্নমক মপূ মাগী নুংপুঙ ৱাখলদগী পুথোকখিবনি।

"পালী ঈপুঙঙো তিংপালপা মপূ কৌলিপা ঈপুঙঙো মহাককা লোইনতুনা লৈলিপা লাইপুঙথৌ ৭ মাতা পকতুনা ঈকী মওং মান্না, খুপী মলুম চাউনা অকোইপা ওইনা পকয়ে।। অকোইপা আতুপু ঈয়েক কৌয়ে।।০।। ঈয়েক আতুকী মনুঙতা ঈকী ফুন ১ লৈয়ে।। অতুপু ঈলীক কৌয়ে।।" ১

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেংশিং অসিদগী 'ঈয়েক' 'ঈলীক' হায়বসি করি করিনো হায়বদু খংবিরমলগনি। হান্না পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেংশিং উৎতুনা হায়জখ্রে মদুদি ইহান হানবা পুন্ন মক্কী মপু পুন্নমক্কী হৌফম ওইবা ঈপুঙ লোইনপা আপকপা মহাকসি লাইপুঙথৌ ৭ না শাবনি। মফম অসিদা পুয়ানা হায়রিবনা ঈপুঙ লোইনপা মহাক্কী মশা ওইরিবা লাইপুঙথৌ ৭ মক্কী মশাদা ঈকী মওং মানবা অকোইবা অমমম পকতুনা লৈ; অকোইবা ঈ মানবা অকোইবা অমমম পক্তুনা লৈ; অকোইবা ঈ মানবা লাইপুঙথৌশিংদা পকতুনা লৈবা অদুবু 'ঈয়েক' কৌয়ে। ঈয়েকশিং অদুগী মনুংদা ঈকী 'ফুন' অকোইবা মতুম অমমম লৈ ঈকী 'ফুন' অদুবু ঈলীক কৌই।

মতাং অসিদা নিংশিংবিবা য়াই মদুদি মথক্তা পজখিবা পুয়ানা 'নুং-সা সা-তুম' হায়বদু 'ইয়েক' অমদি ঈলীক' হায়রিবা অসিনি। মীতৈগী ৱাংউলোন্দা ইহান হানবা ইহৌ হৌখিবা 'অমা' হায়রগা খংনবা মপু মহাকসি মচাক (Matter)নত্তে, ৱাহৌ Principle নি, metaphysical principle নিন, Spirit নি। লাইপুঙথৌ ৭ পুথোকপা অমসুং লাইপুঙথৌগী মশাদা 'ঈয়েক' অমসুং 'ঈলীক' ওইরকপা মীতৈগী creation (লৈশেম্বা) গী Theory দা তাইবংপালবা Material Universe অমা শেমলকপগী অহৌবনি; ৱাখল অমদি মচাক (Idea and Matter) কী তাইনফমনি। ঈপুঙলোইনপা আপকপা অমসুং লাইপুঙথৌ ৭ না ৱাহৌ নোংহৌ লৈশেম (Creation) গী অহৌবনি।



## (২) য়েক

'য়েক' অমদি 'য়েক থোকপা' হায়বসিদি তাইপং পালবা মপু মহাক্ক। তাইবং শেমলক্লবা, মীওইবনা লাইগী থাক্তগী মীগী থাক্তা হন্থরক্লবা, Christian গী ৱারীদগী হায়বা তারবদি অদাম অমসুং ইভনা তাইবং মপু মহাক্কী য়াথং কয়ামুক ঙাকতনা চৎলকপদগী লাইগা নক্লবা মপু মাগী খুদোল মতিক ময়াই কয়ামুক মাংখিবা মীওইবগী মশাদা পুক্লিংদা শাগী থাকতা হন্থরকপা মতম অদুদা থোরকপনি । মীতৈ ইপা ইপুনা অমসুং পুয়ানা 'য়েক' হায়বসি করিবু খংনরম্বগে য়েংশি।

"পাখংপনা হাইলকই-ঈপাপুঙ ঈপুঙঙো সিতাপা! নমু তাইপঙ চাতোনসুতোনসিংনা। লাইকী চাতা নাউতানি হাইনা চৎলকাতাপা আসীপু কলম হাইনা তৌকপা । আসী ৱাতি হাইলাপাতা। সলাইলেলতি সিতপা । নুংপুঙ ৱাখল তৌতুনা হাইলকই - ঈপালীও নুংসিপা। ঈচাগী চাতা সলাইলুপ সাখাইসিংনা লাইকী লীচৎপু লৌতুনা চতপা য়ালোইয়ে। অসুমনাতি মপালীতা হাইলকয়ে। লাইকী লুপনা ঈচাকী চাতা নাউতাপু সোকউপা অসীতি লাইপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক ৭ কী মতুঙঈননা ঈপানা ঙসিতাকী হৌনা য়েক হায়না কৌলকে।। ঈচাকী চাতা নাউতানা । লাইকী

লুপনা চতলম্পা ফিতম লৌতুনা চৎলকলাপতি। লাইকা মীকা য়েকনপা। তৈনপা। মৌনপা। ওইসুনো লাইপুঙথৌ ৭ মক্কা য়েকনপাসুং ওইসুনো।। মাকী মাকী সলাইলুপ সাখাই পুম্নমক য়েকনাপাসুং ওইসুনো য়েকনপা আসিকী মতুঙ ইন্না ঈকী চালৌ মৌলৌনপা য়ালোঙ্গিয়ে।

অসুম হাইলাপাতা মপালী তুকথাপানা হাইলকই-- ঈপাপুঙ ঈপুঙো সিতপা। ঈয়েক য়েক হাইলিপা অসিপু অমুক হননা তাকপীও হাইলাপাতা সিতাপানা হাইলকলে- পালী ঈপুঙঙো তিংপালপা মাপু কৌলিপা ঈপুঙঙো মহাকক্কা লোইনতুনা লৈলিপা লাইপুঙথৌ ৭ মাতা পকতুনা ঈকী মওং মাননা খুপী মলুম চাউনা অকোইপা ওইনা পকয়ে।। অকোইপা অতুপু ঈয়েক কৌয়ে।।০।। ঈয়েক আতুকী মনুঙতা ঈকী ফুন অমা লৈয়ে।। অতুপু ঈলীক কৌয়ে।। ইলীক আতুকা য়েকনালে। য়েক কৌয়ে।।"১

সলাই ৭ কী সালাই অতোম্বা সালাই লৈশাংথেমগা লাইলেনপী চেংলৈমাকা পাননদুনা খুম খুম নিংথৌ পোকএ। খুম খুম নিংথৌগী নাউতা (মচা) মলিয়াফমপালচানা লৈমা তানু পান্নদুনা কোম্হৌবা পোকএ কোম্হৌবদি হাউলোকপম শাকৈ ওইখ্রে। হাউলোকপম চনু তম্ফা অমসুং মীতৈ চনু সলাইলুপ শাখাইগী মচা মশুবু লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপানা লৌরুরে (পান্নরুরে)।

মসিদা পাবিরিবশিংনা নিংশিংবিগদবা অমনা-লাইনিংথৌ সালাইলেল সিদপা অসি লাইপুঙথৌ ৭ কী অতোম্বনি। ঈপুথৌ পাখংপা



অসি মহাক্কী মচানি। ঈপুথৌ পাখংপাগা পান্নরিবা লাই নুরা ৭ অসি লাইনিংথৌ সালাইলেল সিদপানা মহাক্কী নুংপুঙ ব্রাখলদাগী পুথোকপনি। লাইনিংথৌ ৭ কী মথংদা লাইনিংথৌ সনামহি অমদি মী খলৌপাগী মতমদা লাই পনখৈ ওইয়ে, অমসুং ঈপুথৌ পাখংপগী হাকতকতগী মী তাংকক হৌরে। পাখংপা অমসুং লাই নুরা ৭ (লাইলুপ ৭) গী মপা ওইরিবা লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপনা মীওইলুপদদি লৈখ্রবা মাগী মশুশিং ওইরিবা হাউলোকপম চনু তম্ফা অমদি মীতৈ চনু কয়াবু লৌরুরে (মশা সোকলুরে)। মসিদা লাইলুপ অমসুং মীলুপগী মরক্তা য়ানদবা অমসুং অরানবা থবকনি হায়না খন্নরে। লাইয়াম অমসুং মীয়াম খুনতিন য়াকারে (মীতিন তৌরে)।

খুনতিনয়াকাপা (মীতিন) অদুদা ঈপুথৌ পাখংপনা মপাবুং ঈপুংঙো লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপ দা হংবা ব্রাহং অমসুং সালাইলেল সিতপনা খুমখিবা পাউখুম অদু অইবনা পুয়াদগী লৌথোক্তুনা মথক্তা উৎচরে। মথক্তা পুয়াদগী লৌথোকতুনা উৎচরিবা অদু মুন্না পাবিয়ু অমসুং খংবিগনি।

পুয়াগী মতুং ইন্না , ঈপুথৌ পাখঙপানা সালাইলেল সিতপাদা হংলিবা ব্রাহং অসিগী অশম্বা অমসুং ফুমদুনা লৈবা ব্রাখলদি অসিনি - পাপুঙদি লাইনি অচুম্বা ঙাক্তা তৌফম থোকপনি, অদুবু পাখংপা ঐগী ইচা ইশুবু লৌশিন্দুনা লাইয়াম অমসুং মীয়াম্না য়ানদবা অমা থোকহল্লিবা অসি চাতোন সুতোননা করি করম্না চৎকদগে হায়বা অসিনি।

লাইনিংথৌ সলাইলেল সিতপনা ঈপুথৌ পাখংবদা খুমলিবা

পাওখুম অসি অসিনি-

(১) ঈপুথৌ পাখংপগী চাতা নাওতা সালাই সাখাইশিং - মীলুপনা লাইগী লীচৎপু লৌদুনা চৎপা য়ারোই।

(২) লাইকী লুপনা পাখংবগী চাতা নাউতাবু সোকউবা অসিদি লাইপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক ৭ মতুংইন্না খুনত্তি য়াকাপা নুমিৎ অদুদগী য়েক হায়না কৌরে।

(৩) মীকী মীলুপ পাখংবগী চাতা নাউতানা লাইকী লীচৎ(হায়বদি সালাইলেল সিদবনা হাউরোকপম চনু কয়াবু পান্নরুবা, মদুগী মরমনা লাইয়াম খুনতিন য়াকাবা) লৌদুনা চৎলবদি লাইগা মীগা য়েক্লবা তৈনবা, মৌনবা ওইসনু লাইপুঙথৌ তরেৎমক্কা য়েকনপসু ওইসনু, মাগী সালাইলুপ সাখাই পুম্নমক্কা য়েক্লবসু ওইসনু। য়েক্লবা অসিগী মতুংইন্না ঈগী চালৌ মৌলৌনবা য়ারোই।

মীতৈগী ইপা ইপুশিংগী ঈনাৎ (Culture) গী মতুং ইন্না য়েক করিনো, য়েক থোকপা হায়বসি করিনো, মীতৈ হায়বা কাংলুপ অসিনা য়েক অমদি য়েক থোকপা হায়বসি করম্না লৌনরম্বগে হায়বদু মফম অসিদা ময়েক ১৮ না ইবা ব্রাকোকলোন হীলেল থিলেন সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা য়াম্না শেংনা হায়রে। পুয়াদগী লৌথোকপা সরুক অদু অমুক্তগা মুন্না পাবীয়ু, শোয়দনা খংবিরকনি।

পুয়া অসিদা য়াওরিবা "লাইকী লুপনা ঈচাকী চাতা নাউতাপু সোকউপা অসিতি লাইপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক ৭ কী মতুংইন্না। ঈপানা ঙসিতকী য়েক হায়না কৌলকে।।০।।" মতাং অসিদা য়াওরিবা



'সোকউপা' মশা সোকউবা হায়রিবাসি লাইনিংথৌ সলাইলেল সিতপনা মহাক্কী মচা ঈপুথৌ পাখংপগী চাতা নাউতা ওইরবা হাওরোকপম চনু তম্ফা অমদি মীতৈ চনু কয়াবু লৌরুবা সোকউবা অদুনি। 'লাইপুঙথৌ ৭ কী য়েক ৭ কী মতুং ইন্না।' হায়রিবা অসিগী ব্রাহনথোক্লা সালাইলেল সিতপাদা য়াওরিবা 'ঈয়েক' 'ঈলীক' অদুগা ঈপুথৌ পাখংপদা য়াওরিবা অমদি মাগী মচা মশুদা য়াওরিবা 'ঈয়েক' 'ঈলীক' অদুগা মান্নবনা (হায়বদি মপা মচা মশুগী ঈলমদা লৈবা মরমনা মান্নফম থোকপনা), লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপনা সোকউবা ঈতিন্নরুবা অদু মান্ন মান্নবগা ঈতিন্নবনি। পুয়া অমদি মীতৈগী ইপা ইপুগী ইনাৎ অমদি চৎনবীগী মতুং ইন্না, য়াম্না নকনপা মান্নপা ঈয়েক, ঈলীক মান্নবদা মী অমনা ঈতিন্নরবা, হকচাং সোক্লরবদি য়েক থোকই, 'ঈয়েক' 'ঈলীক' মান্নবগা মান্নবগা ঈতিন্নরবদি য়েক কৌই হায়বনি। কনাগুম্বা মীতৈগী চাতা-নাউতানা 'ঈয়েক' 'ঈলীক' মান্নবগা ঈতিন্নরবা হায়বদি চালৌ মৌলৌনরবদি লাইগা মীগা য়েক্লবা তৈনবা, মৌনবা অমদি লাইপুঙথৌ ৭ মক্কা য়েক্লবা ওই হায়বনি।

পুয়াদা ঈরম্বা, ঐখোয়নসু থাজফম থোকপা লোন্দা পুদা কয়ানা ঐখোয়দা 'য়েক' 'য়েক থোকপা' হায়বসি করিনো হায়বসি উৎলে। পুয়াগী ব্রাফম অসি পাবদা ঐখোয়না হান্না ২০ শুবা চহিচাদা খল্লম্বা কয়াদি লাল্লে হায়বসি খঙলে। মীতৈ = মী + অতৈ (অতোপ্পা মী, হান্নগী মী নত্তবা, কোন্না মথং চংলক্তুনা অপুনবা ওইনা মীতৈ হায়না থোনখিবা Composite race নিহায়না পুয়াগী ওন্ন-তৈনবদা শন্দোক্লম্বা) হায়বসি কংলৈপাক্কী মফম ৭ তা য়েক্লবা ৭ ওইনা পাল্লমই, য়েক্লবা ৭ ওইরম্বা

অসিদগী 'য়েক' ৭ কৌই হায়না য়াম্লা লান্না শন্দোক্লম্বা অমসুং মীতৈ কাংলুপ মশেল য়েংথিনহন্নবা শেম্বা লৌতুনবা অসিবু কন্না মীরোল ৬/৭ অসিদা থাজহন্নবা হোৎনরম্বা পুন্নমক অসি পুন্নাল লাল্লে হায়বসি খঙবিরম্লগনি। অদুবু 'য়েক' য়েক থোকপা হায়বসি করিনো হায়বসি মতম অসিদা হিংলিবা মীয়াম্না হেন্না শেংনা খঙনবা পুয়াগী য়ুমফমদা মতমগী ওইবা ৱাহন্থোক মথৌ তাই। হৌজিক য়েংশি।

"কংলৈপাক কৌপা মফমতা লাইনিংথৌ সিতপা সালাইলেলকী হুকসাং কায়াতকী নুংপুঙ ৱাখননা তাতুনা থোকখিপা লাইলুপ ৭ মাপু পাখংপনা পাননতুনা।"

"লাইলুপ ৭ কা ঈচাকী ঈকা তিননাতুনা পোকপা আসিপুনা সালাই কৌলাকে।"

ইপুথৌ পাখংবনা পান্নরিবা লাই নুপী তরেৎ অসি পুয়ানা "হুকসাং কয়াতকী নুংপুঙ ৱাখন্না তাতুনা থোকখিপা লাইলুপ ৭" "লাইলুপ ৭ কা ঈচাকী ঈকা তিন্নাতুনা" "লাইলুপ ৭" হায়না কৌই। লাইনুপী ৭, লাই নুরা ৭ হাইনা পুয়ানা হায়দে। ইপুথৌ পাখংবগা পান্নরবদি লাই নুপী ৭ ওইফম থোকই হায়রুবগী ৱানী। ঐখোয়না মফম অসিদা পুয়াগী ৱাফম অসি য়াম্না মুন্না খংবা উবা মথৌ তাই। পুয়ানা লাইলুপ ৭ হায়বদি লাইপুঙথৌ ৭ কী লুপ ৭ হায়বনি। লাইপুঙথৌ ৭ কী লুপ অমমম লৈ; মরম অদুনা লাইলুপ ৭ লৈ। পুয়ানা "হুকসাং" হৌজিক্কী মতমগী লোন্না 'হুকচাং' মীওইবগী শকতম অসি মপু মাগী মমিদগী শাখিবা মরম্না মপু মাগী মশকনি। মরম অসিনা সালাইলেনসিতপগী 'হুকসাং কায়াতকী নুংপুঙ ৱাখননা তাতুনা থোকখিবা' লাইলুপ ৭ অসি ঈপুঙ লোইনপা আপকপা তেংপালপা তিংপালপা মপু মহাক্কী মশাদা য়াওরিবা লাইপুঙথৌ ৭ অদুগী লাইলুপনি। মরম অসিনা ঈপুথৌ পাখংবনা লাইলুপ ৭ কা পান্নদুনা পোকপা সালাই ৭, মথং তারকপদা নাওতা কাংলুপ ৭ (সালাই সাখাই ৭) অসি ঈ মান্নবা কাংলুপ ৭ নি। কাংলুপ অমমমগী ঈ অসি মখোয়গী কাংলুপকী লাইপুঙথৌ অদুগী 'ঈয়েক' 'ঈলীক' অদু চেল্লি। খুদম ওইনা হায়রগা লাইপুঙথৌ 'নোংপোক চীঙখৈ আপানপা' গী লাইলুপকী লাই নুপী অদুনা পোকপা নাওতা সালাইলুপ সাখাইগী মী পুন্নমক ঈ মানৈ। অদুগুম্না 'অৱাংপা কৌপালু'কী লাইনুপী অদুনা পোকপা নাওতা সলাইলুপ সাখাইগী মী পুন্নমক 'ঈয়েক ঈলীক' মান্নে। অসুম্না মথং-মথং। অইবনা মফম অসিদা ইজরিবা পুয়াগী ৱাহন্থোক (Interpretation) অসি পাবিরিবশিংনা খংবিরম্লগনি হায়না খল্লি।

## (৩) য়েক থোকপা

পাবিরিবশিংনা খংবিরম্লগনি পুয়াগী মতুংইন্না য়েক থোকপা মখল অনিনি। অহানবা মখলগী 'য়েক থোকপা' অসি লাইগা মীগা শম্নরিঙৈগী ৱানি। লাইনিংথৌ সিতপা সালাইলেলনা হাওলোকপম চনু তম্ফা অমদি মীতৈ চনু কয়া পান্নরুরে। মথকতসু হায়জখ্রে। মসিদা লাইয়াম অমসুং মীয়াম্না য়ান্নদ্রে, অরানবা তৌরে হায়দুনা কংলা সেনপুঙ য়ৈদুনা খুতিন য়াকারে। ঈপুথৌ পাখংবনা লাইনিঙথৌ সলাইলেনসিতবগী মরমচৎপু য়ানিংদবা উৎতুনা ৱা হংলক্লবদা লাইনিঙথৌ সলাইলেন সিতপনা খুন্নকই "লাইকী লুপনা ঈচাকী নাওতাপু সোকউপা অসিতি লাইপুঙথৌ ৭ কী

ঈয়েক ৭ কী মতুং ইন্না ঈপানা ঙসিতকী হৌনা য়েক হায়না কৌলকে।" মসি মীতৈ খুন্নাইগী অহানবা লৌনবা য়াদবা য়েক থোকপনি। লাইনিঙথৌ সলাইলেন সিতপদগী সনামহী পাখংবা সলাই নাওতা তারকতুনা ঐখোয় মীতৈ ময়াম ওইরকপা অসি লাইদগী 'ইয়েক' 'ঈলীক' না তৎতনা লেপ্তুনা চেন্থরকতুনা মীতৈ মীয়াম ওইরকপা অমদি লাইগী 'ঈয়েক' 'ঈলীক' না মীতৈ মীয়ামদা থুংলবগী ৱারিনি। মীতৈগী য়েক অমসুং য়েক থোকপাগী ৱাফমগী মতুংইন্না লাইফাওবনা মাগী ঈ মরিদা লৈবা ('ঈয়েক' 'ঈলীক' মান্নবা) মী চালৌ মৌলৌনবা য়ারোই, য়েক থোকই হায়বসিনি।

মথংদা অনিশুবা মখলগী য়েক থোকপা অসি করিনো অসিনি। ঐখোয় মীতৈনা ঙসি ফাওবা য়েক থোকপা লৌনদে, য়েক থোকপা লৌবা য়াদে হায়বসি মীতৈ খুন্নাইগী অকনবা মীগী অমসুং লাইগী চৈরাক লৈবা চৎনবীনি। লাইগা মীগা লৌনবা য়াদবা য়েক থোকপা (মথকতা হায়জখিবা), মীগা মীগা, লৌন-লৈনবা য়াদবা য়েক থোকপা অনিমক য়ুম্ফমদা চপ মান্নবা ওইরবসু, অনিশুবা মখলগী য়েক থোকপা মীগা মীগা লৌনবা লৈনবা য়াদবা অসিনা হৌজিক্কী মতমগী হেন্না মরুওইবা মুন্না খংফম থোকপা ৱাফমনি।

'য়েক' 'য়েক থোকপা' হায়বসে হান্না অদুম য়েক ওইদুনা য়েক থোকতুনা লৈবা নত্তে, চালৌ মৌলৌনরক্লবা, শাক্তিন্নরকলবা মতমদদা থোকপনি। য়েক ৭ (য়েক্লবা ৭ হায়জিনদুনা মীতৈগী অপুনবা থুগাইনবা হোৎনবগী ৱাহঙ্খোকতা) অমদি য়েক ৭ (পুয়াগী লোন্দা মৌনবা তৈনপা) হায়না হান্না অদুম লৈবা নত্তে। ঈতিন্নরক্লবতদা 'য়েক' 'য়েক থোকপা'



মৌনপা 'তৈনপা' 'য়েক্রুপা' ওইরকই। 'য়েক' 'য়েক থোকপা' য়াবা মখল ৭ তি লৈ অদুবু লৌন-লৈনদ্রিবমবখৈদি য়েক থোক্তে। সালাই ৭ লৈ, য়েক ৭ লৈতে। ইতিন্নরবা মতমদা য়েক্কি ৱাফম লাকপনি। মীতৈ ইনাৎ অমদি ৱাঙুলোন য়াম্না শেংঙি করিসু চিংননিংঙাই ওইদে।

**"লাইলুপ ৭ কা ঈচাকী ঈকা তিন্নাদুনা পোকপা আসিপুনা সালাই কৌলকে।। সালাইনা পোকপা অসিপুনা নাওতা হায়না কৌখলে। নাউতাকী সলাইঈলুপ সাখাই পুম্নমকনা লৌলাপাতি য়েককা য়েককা ঈলৌনপা ওইসুনো মানা মানা তৌবা ওইসুনো।। সালাইলুপ সাখাইশিংনা চালৌ মৌলৌনপা তৌলাপাতি নাওতাকী সুথাং ৭ না লোমকনিয়ে।"**

মথক্কী ৱাহৈপরেংশিং অসি পুয়াদগী লৌথোকপনি, লাইনিংথৌ সিতপা সালাইলেলনা মীগীদি মকোক অহৌবা পাখংবদা হায়খিবনি। লাইগী পাওতাকনি, হিকতোকহৈদবা লাইনিংথৌকী য়াথংনি।

লাইলুপ ৭ তগী শন্দোরকপ সালাইলুপ সাখাই ৭ লৈ। সালাইলুপ সাখাই অমগী মনুংদা লৈবা মী পুম্নমক 'ঈয়েক' 'ঈলীক' মানৈ হায়জখ্রে। অমরোমদা অমুক হায়রগা লাইলুপ ৭ না পোকপা মীতৈ সলাই ৭ লৈ-মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাব-ঙানবা অমদি সালাই লৈশাংথেম। তরেৎ অসিদগী শন্দোরকপা সালাই কাংলুপ (সালাই ইখাই) ৭ লৈ। সালাঈ অমগী মনুংদা লৈবা মী মখৈ লাঈপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক 'ঈলীক' কী মতুংইন্না ঈ মান্নে। পুয়া অসিদা হায়রিবা লাইগী য়াথং অসিদা হায়রিবদি "সালাইলুপ সাখাইসিংনা চালৌ মৌলৌনপা

তৌলাপাতি" হায়বদি সালাই মান্নবা মশেল শাত্তি ঈতিন্নরবদি "লাইকা মীকা য়েকনাপা। তৈনপা। মৌনপা" য়েক, য়েক থোকপা ওইরে; "নাউতাকী সুথাং ৭ না লোমকনিয়ে।" হায়বদি মীরোল ৭ শুবদা কাংখুল মুৎকনি , অসিনি। 'য়েক, য়েক থোকপাগী থবক হেক তৌবদা সুথাং ৭ (মীরোল ৭) তা মুৎকনি হায়বসি লাইগী য়াথংনি। হেক হিকতোকপদা লাইগী চৈরাক ফংগনি। থাইন মমাংঙৈদদি য়েক, য়েক থোকপগী থবক তৌবা নুপা নুপী অনিদু লোই থারমই।

মরম অদুনা লাইগী পাওতাক অমসুং য়াথংগী মতুং ইন্না নাওরেমগা য়ুম্লামগা, মুতুমগা কাংঙবমগা অসিনচিংবা সালাই মান্নবা মরম্না লৌনবা য়াদ্রে। অদুগুম্না লাইশ্রমগা পুখ্রম্বমগা লৌনবা য়াদ্রে। পোৎশংবমগা থোঙামগা লৌনবা য়াদ্রে। থোকচোমগা মোইরাংথেমগা লৌনবা য়াদ্রে অসিনচিংবা। করিগুম্বা লাইগী পাওতাক অমসুং য়াথংবু হিকতোকতুনা চৎলক্লবদি লাইগী অমসুং মীগী চৈরাক ফংগনি।

অনিসুবা পন্দুপ

## সালাই করিনো ?

য়েক, য়েক থোকপা হায়বসি করিনো হায়নবা হোৎনজবদা মথক্তা ইজখিবা ময়াম অসিদগী 'সালাই' করিনো হায়বসি পাবিরিবশিং খংবিরম্লগনি। অদুবু অমুকসু খন্নসি।

'সালাই' হায়বসি ঈপুথৌ পাখংবনা - লাইলুপ ৭ পান্নরগা পোকপা ইপুথৌ ৭ অদুনি। মীতৈগী হৌজিক লৈরিবা সালাই সাখাই ৭ হায়বদি মঙাং কাংবু, লুৱাং কাংবু -- কাংলুপ ৭ অসিগী ইহৌ হৌবা নুপা ইপুথৌ ৭ অদুবু সালাই কৌই। মীতৈগী ইনাৎতা খুন্নাইদা 'সালাই' হায়বসি মচু ৭ পুসু খংনৈ। মীতৈগী সালাই ৭ লৈ, সালাই অমমমগী মচু অমমম, মচু ৭ সু লৈ।

ঈপুংলোইনপা আপকপগী তরং লাইপাউগী মতুং ইন্না লাইনিংথৌ সনামহীনা মী শাদুনা মপাপুং লাইনিংথৌ সলাইলে সিতপদা কৎশিল্লে। লাইনিংথৌ সনামহীনা শারিবা মী অদু উরুবদা ইমা লৈমারেল সিতপী তিলাং খোইতাখ্রে, লমতা লৈতাখ্রে। থা ১০ নাউপুরবদা ঈপুথৌ পাখংবা ওইনা লাংপা তাইপং লমজাও তারক্লে। মতৌ অসুম্না তৌনা ঈমা লৈমরেল সিতপীনা ঈপুথৌ পাখংবা পোকলে। তাইবং মালেমদা ঈপুথৌ পাখংবনা ইহাননহানবা মীনি , নুপানি।

'লাইলুপ ৭ কা ঈচাকী ঈকা তিন্নাতুনা পোকপা অসিপুনা সালাই কৌলকে।১" পুয়াদাগী লৌথোকপনি। মথক্তসু উবিখ্রে। লাইপুংথৌ ৭ কী অতোম্বা লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপনা মচা ওইবা ঈপুথৌ পাখংবদা হায়খিবনি। সালাই হায়বা মিংসি মীদা লাইনা থোনবা মিংনি। ঈপুথৌ পাখংবনা লাইলুপ ৭ হায়বদি লাই নুপী ৭ পান্নদুনা পোকপা (লাই নুপী অমমমনা নুপা অমমম পোকপা) নুপা ৭ অদুবু সালাই নত্রগা সালাই ৭ কৌই হায়বনি।

মীতৈগী হৌজিক হৌজিক সালাইলুপ (সালাইলুপ মান্নবা কাংলুপ) ৭ লৈ। সালাইলুপ ৭ অসি ইপুথৌ ৭ অসিদগী শন্দোকপনি।

মীতৈগী মচু ৭ কী ফিরাল হায়বসি মীতৈগী ফিরালদা য়াওরিবা মচু ৭ অদু সালাই ৭ কী মচুনি। মতৌ করম্না সালাই ৭ কী মচু ওইরিবা মতুংদা অমুক খন্নগনি। মীতৈনা মায়কৈ সালাই খংদ্রে হায়। মতম অমদা মীতৈনা মীতৈগী ঈনাৎ কন্না ঙাকতুনা চৎলিঙৈদা নুপা খুদিং সালাই কোয়েৎ (হায়বদি মাগী সালাইগী মচুগী ফিনা কোকয়েৎ ওইনা য়েৎপা) য়েৎতুনা চৎনরম্মী। হৌজিক্তি সালাই কোয়েৎ য়েৎত্রে, করি সালাইনো কদোমদগী লাকপনো খংদ্রে হায়বনি।

অরোইবদা মীতৈগী য়েক সালাইগী কাংলোন (Theory) অসি য়াম্না Clasical ওইবা Unique ওইবা পোৎনি। মীতৈগী মচু ৭ কা VIBGYOR গী মচু ৭ মান্নদে। মথং মনাওদা (In order দা) মান্নদে। অদুবু মচু ৭ লৈ হায়বসি খঙবদি মীতৈনা মালেমগী মী কাংলুপ অতৈদগী চহি চা খরদি শোয়দনা হাল্লে। PRISM গী Experiment তা মচু ৭ লৈ হায়না নোংচুপনা খঙলকপা অসি ঙরাংতগী ৱানি। মীতৈদি সালাই কোয়েৎ মচু ৭ য়েৎলকপা মচু ৭ কী ফিরাল শিজিন্নরকপা চহি লিশিং খরদি শুরে হায়না নিংই।

মীতৈ 'য়েক' হায়বা ৱাহৈসি য়েক্লবা ৭ হায়বদগী ওইখিবা ৱাহৈ শুকনৎ নত্তে। য়েক্কী মশিং লৈতে। মান্নবা সালাই লৌনরবা লৈনরবতদা 'য়েক' 'য়েক থোকপা' ওই। তাইবং মালেমদা য়াম্না লেমনিংঙাই ওইরবা Scientific foundation লৈবা য়েক সালাইগী কাংলোন (Theory) অসিবু মীতৈ খুদিংমক্কা ইকাইখুম্নফম থোকই।

-----...-----



## -লৈপাকমচা পুম্নমক-

মীতৈগী ইপা ইপুগী লাইনিং লাইশোন ইনাৎ কনশি হায়রবদি কংলৈপাক্কী মরু ওইবা লাইফমলেনশিং পুম্নমক (কৌব্রু, থাংজিং অসিনচিংবা) Ancient and Historical Monuments and Archaeological Sites and Remains Act, 1976- মখাদা লাইফমলেনশিং অসি সরকারনা আইনগী মখাদা কন্দুনা/ঙাক শেন্দুনা থম্নবা মফমশিংনি হায়না লাওথোক্লবা হোৎনবিয়ু। Act অসিগী অপিবা Provision পুম্নমক থবক ওইনা পাংথোক্লবা Implement তৌনবা Association শেম্নবা তৌবীয়ু।

- অইবা।

খুন্নীনিংবশিংনা খুম্বিরকউ:-

(১) কনাগুম্বা 'মৈতৈ হিন্দু' গী ইমুংগী অঙাং পোকপদা 'মৈতৈ বামন' না নুমীৎ ১২ নিদা য়ুম শেংদোকই। পোকপা ৬ নি শুবদা 'মৈতৈ বামন'না 'সষ্ঠি' শোল্লি। পঞ্চ দেবতা কৌশিল্লি/লেংশিল্লি, খের, তল, চাকনচিংবা হৌদুনা থোংদুনা অহল-লমন, ব্রহ্ম-বৈষ্ণবতা পিজৈ। থৌরম অসি অশেংবরা? লেঙশিল্লিবা লাইশিং অদু মাংদ্রা ? অহল-লমন ব্রহ্মন-বৈষ্ণবতা মাংনা হৌবা/থোংবা পোৎ পীজবা নত্রা?

(২) কনাগুম্বা 'মৈতৈ হিন্দু' গী ইমুং অমদা 'মৈতৈ বামন্না' নুমীৎ ১২ নিদা য়ুম শেংদোকই। শিবা মতুং মঙা/তরুক নিদা অষ্টিদা ভগবত লেঙশিল্লি , ধর্ম্মগী থৌরম পাঙথোকই। মদু অশেংবা (মাংদবা) থৌরমলা?

(৩) 'মৈতৈ হিন্দু' অমগী শিবা ফাইরেল মরিনি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতনি হায়না লৌবিরো। লমতাগী মরিনি পানবা য়ুমশকৈশ নুমীৎতা 'দিন' তাই হায়দুনা লাইগী থৌরম অমা 'মৈতৈ বামন' না পাঙথোকই। 'দিন' হায়বা ৱাহৈসিনা থিনবা য়াবা কেরোসিনদিনগুম্বা নত্তদুনা 'নুমীৎ' থোকই হায়বা ওইরবদি করম্বা অঙ্কদা, করম্বা খুৎহোৎনা তাহনবগে?



## ম্নীতৈ কন্নিনো, ম্নীতৈ কনানো

মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অমা তাইপঙ মালেম অসিগী পীকখ্রবা, চীংগী লমনা অয়াম্বা শরুক ওইবা, কংলৈপাক কৌবা লৈপাক অমদা, ঙসিদগী চহী ২০,০০০ (লিশিং কুন) লোমগী মমাঙদা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা শেমগৎতুনা পাল্লকই। থাজবীনবগীদমক পাবীরিবশিংনা অইবগী লাইরিক, Kangleipak The Cradle of Man (II Ed.) Page 3,4,5 য়েংবীয়ু। লাইরিক অসি মালেমগী মাংজিন থারিবা Palaeontologist কয়ানা শক খংলবা লাইরিকনি। মখাগী Xerox অসি য়েবীয়ু :

Gmail

Wangkhemcha Chingtamlen <chingtamlen@gmail.com>

**Human origins in Kangleipak**
2 messages

Jean-Jacques Jaeger <jean-jacques.jaeger@univ-poitiers.fr> — Sat, Jan 25, 2014 at 9:34 AM
To: chingtamlen@gmail.com

Dear Sir,
I thank you et congratulate you for your interesting book dedicated to the craddle of man ! My team members and I have read it with great attention and interest. After doing documentary research on the geology of your area, we came to the conclusions that it may be worth to explore it to search for more fossil evidence. As you know, we are experts specialized on the very early steps of human evolution, between 60 and 10 million years ago, and we have no expertise at all in prehistory or archeology. Our way of surveying consists to survey the surface of the outcrops, especially in coal mines (ancient lake deposits !) and in natural outcrops. Usually, we work in a group of 4-5 experts after renting 1 or 2 four wheel drive cars. We have noticed from the geological documents that several coal mines are available in your Province, which deserve to be visited. But such a task needs good assistance and guidance from locals and also permissions from the authorities to enter into these coal mines. I therefore contact you to submit our project to your appreciation and to have advices from you concerning which are the authorities to contact to get these permissions ! I thank you in advance for the kind interest you may show for our project and send you as attached files one of our latest, and important publication with its press release comment !

Your's Respectfully,
Prof. Jean-Jacques Jaeger

2 attachments
- Chaimanee et al., 2012 PNAS (Myanmar Afrasia).pdf 953K
- Afrasia-press-short-2012-05-17.doc 541K

Wangkhemcha Chingtamlen <chingtamlen@gmail.com> — Mon, Jan 27, 2014 at 11:26 AM
Draft

[Quoted text hidden]

2 attachments
- Chaimanee et al., 2012 PNAS (Myanmar Afrasia).pdf 953K
- Afrasia-press-short-2012-05-17.doc 541K

1 of 1 27-01-2014 11:26



মথক্কী মেসেজ অসিনা তাক্লিবদি মীওইবা হায়বা কাংলুপ অসি আফ্রিকাদগী হৌখি হায়না মালেম্না থাজনরম্বদগী, মখাতানা থিজিল্লকপদা ম্যানমারদগী মীওইবগী য়াপঙ (Molar Teeth) মরি ফংবদগী মীওইবা অসি অফ্রিকাদগী হৌবা নত্তে, এসিয়াদগী হৌখিবনি হায়খিবা থিজিল্লোয় কাংবু অদুগী লুচিংবা, Univesity of Poitiers, France কী Prof. Jean-Jacques Jacger না অইবদা Jan 25, 2014 দা থারকপনি।

মালেমগী Paleontologist কয়ানা ঐখোয়দগী মীওইবা হৌখিবনি থাজরকপা, অইবগী লাইরিক, Kangleipak The Cradle of Man বু শক খংবীরকপা অসি, অইবনা হোৎনজরকপা মহৈ য়াল্লে/থাজরকপা অসি চুল্লে। থাইনগী মীতৈ ইপা ইপুশিংনা শরুম্বা

১. কংলৈ সনা লৈময়োল
লাইনা থাপা লমতমনি
২. অরাং কৌপলু অসুপপা
লৈমা লাই খুনতা অহানপা
নোংথলৈ মউ লিংলিপা
ঈলিক মপান থালিপা
ও! লাইনিংথৌ।

হায়বা ইশৈশিং অদু তাইপঙ মালেমদা মঙাল হেনকৎলকপনি, মাইল লিশিং কয়া থাপ্না লৈখ্রবা চাওখৎলবা তাইপঙ মীওইবশিং অদুনা শকনিংলকপনি।

## মীতৈ করিনো

মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসি কংলৈপাক কৌবা চীংলৈপাক, অসিদা, চহী লিশিং কয়া নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা শেমগৎতুনা পাল্লক্লবা, মালেমগী খ্বাইদগী হান্না মপু মানা শেম্বা ইহান হানবা মীওইবা কাংলুপনি হায়না অইবনা য়াম্না হক্লা থাজৈ।

অইবনা মীওইবা হায়বা কাংলুপ অসি কদাইদগী, করি লমদগী ইহান হান্না হৌরকপনো হায়বসি খৃ: ২০০০ অদুৱাইদগী খনবা হৌরকখি অমসুং মতম অসিগী মতুংদা কংলৈপাক্কী Folklore, Tradition, পুৱারী অসিনচিংবা কন্না নৈনরকখি অমসুং মালেমগী ঈ কাংলুপ অতৈগী লৈরিবা Folklore, Tradition, পুৱারীশিং অসিগা চাং তম্নদুনা খনবা হৌরকখি। তশেংনা হায়রবদা খৃ: ২০০০ চহীচাগী মতুং চহী খরগী মতুংদগীদি, অইবনা কংলৈপাক্তগী মীওইবা হায়বা কাংলুপ অসি ইহান হান্না হৌখিবনি, মতুংদা মালেমগী লৈমায়দা তপ্না-তপ্না শন্দোকখিবনি হায়বসি চিংনবা অমতা লৈতনা থাজবা পোকলকখি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা অইবনা অহানবা ওইনা

Kangleipak : The Cradle of Man ২০১০ দা ফোঙজখি।

অইবনা ২০১০ দা লাইরিক অসি ফোঙজখ্রবা মতুংদা, অইবগী ৱাখল, লৌশিং পুম্নমক অসিবু সৌগৎপা, মতেং পাংবিবা ৱাফম কয়া মালেমগী মফম কয়াদগী Palaeontologist কয়াগী Finding কয়া ফোঙলকখি। লাকলিবা ৱাখলগী ইহৌ, মীওইবগী হৌরকফমগী মতাংদা মালেম পুম্বগী অহে অশিং কয়ানা ফোংদোক্লরক্লিবা ৱাখল, লৌশিংশিংগী মওং অসিনা. অইববু কংলৈপাকতগী মীওইবা হৌখিবনি হায়বসি শোয়ররোই হায়না য়াম্না হক্লা থাজহনখি।

পুম্নমক অসিনা অনৌবা থৌনা অমা পীদুনা অইবনা অনৌবা ৱাখলল্লোন কয়া হাপচিন্দুনা

Kangleipak : The Cradle of Man - II Edition 2012 তা ফোঙজখি। মথক্তা অইবনা Xerox তৌদুনা হাপচরিবা France কী Professor অমনা পীরকখিবা পাউচেল অদু , অইবগী লাইরিক অসিগী মতাংদা Jan. 25, 2014 অইবদা থাবিরকখিবনি।

## কংলৈ পুয়াদা মীশেম্লোনন

কংলৈপাক্কী মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসিগী অইবা লাইলীক ঙশিগী মমাং (BP) চহী ৩৫০০, ১৫০০ BC দগী লৈরে। মতম অদুগী লাইলীকশিংবু কংলৈচাশিংনা পুয়া হায়রগা খঙনৈ।

হৌজিক কংলৈচা মপা মপুবু নুংশিজবা , মখোয়গী মতিক ময়াই, মখোয়গী লৌশিংবু ইরাৎচবা কংলৈচা মীতৈ মশিং লাকঙমদনা লৈরে। হৌজিক হৌজিক কংলৈচা মীতৈশিং অসিনা কংলৈপাক্তা খৃ: মমাং চহী

১৫০০ দা পাল্লম্বা, কংলৈ ঈনিংথৌ মুংয়াংপাগী মতমদা ঈরম্বা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অমা-ইলোন পুকোক কৌবা পুয়া অমা ফংলে অমসুং পায়রে। পুয়া অসিদা মীশেল্লোনগী মতাংদা অসুম্না ইরি - "মতৌ অসুম্না লৈলপকী মপালীসু চাউলকলে। মপাপুঙকী য়াথং থোইয়া নিংথিপনা হাইলকলে-মচাকী মফমতা - পালী ইপুঙঙো! কোনসেন তুলৈ শেংপা তলঙ লাইপাউকী মতুং ইন্না। পালী নঙকী নথৌ -নঙম তাইপঙ মীপু সাপা হৌলো হায়না তাকপীলে।। অতুকী মতুঙ ইন্না মপালীনা মী সাপা হৌখলে। অহানপতা মপালী সনা মহীনা শাবা পোৎলম অতুপু কৎশিল্লে। হেকনা ওইপা য়াখিতে।। মপাপুঙনা মথৌৱাইপু হাপতুনা। মমিংতপু থোনতুনা। নমু মিতম ঙা হাইনা কৌতুনা লাইচা ইলোন-নুংতা থা থোকলে।।০।।

অসুম তৌনা মথং মথং সালকপতা। ইকোননকোনপতা সালাইলেন সিতাপগী পাউতাক মতুং ইন্না সাপতকী মী ওইনা লেপতুনা মপাপুঙতা কৎসিললে'।।"

পুয়াদা মী শাবগী মতাং পনদ্রিঙৈদা, পুয়াগী মথক্কী লামাইদা, ম্ন কী মতাং ইরকপদা, পুয়াদা অসুম্না ইরি:-

" মিতা সাইওন তৌতুনা পোকপা সিপা তাইঙ মীনা। মীতৈ হাইনা কৌখলে ।।০।।"
" সিতাপাকী মসক্তি মিনে।"



মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেংশিং অসিদ ইরিবসি, মীতৈগী ফুংগা ৱারী (tradition) দা সনামহী লাইনিংথৌনা মী শাই হায়বা ৱাফম অদুনি। মথকতা ইরিবসি য়াম্না শম্না ইবনি।

সনামহি লাইনিংথৌদা মী সাও হায়রগা, ইহান হান্না সনামহীনা শাবা পোৎ অদু নমু -মিতমঙা (ঙমু) নি, হায়না ঐখোয় মীতৈশিংনা তাবা ৱারী অদুনি। মপাপুঙ ইবুংঙোনা নমু মিতমঙা অদু মথৌৱাই হাপ্লগা ঈশিংদা থাদোকখ্রে। সনামহী লাইনিংথৌনা মীনি হায়দুনা হঙোই, লিল, উচেক ৱায়া, শা মখল কয়া শারে। সনামহী লাইনিংথৌনা য়োং ফাওবা মীনি হায়দুনা শারে। অদুবু মপাপুঙ ইবুংঙো সালাইলেন সিতপনা পুম্নমকশি মীনি হায়বা য়াদ্রে। মতাং অসি য়ৌশিলকপদা সনামহী লাইনিংথৌনা মহাক মী শাবা ঙমদ্রে হায়না মপাপুঙদা চংজরে। মতাং অসিদা সালালেল সিতপানা মহাক্কী মমিৎ মনুংদা তারিবা মি (মশক) অদু য়েংদুনা মী শাও হায়না পাউতাক পীরকপদগী, সনামহী লাইনিংথৌনা মপাপুঙ ইপুংঙোগী পাউতাক মতুং ইন্না মপাপুঙকী (লাইনিংথৌ সালাইলেলগী) মশক য়েংদুনা মীওইবা ঐখোয় অসি শেমখিবনি (শাখিবনি)। মসি কংলৈচা মীতৈশিংগী মীশেল্লোননি।

অইবনা ইজরিবা কংলৈ মীশেল্লোন অসি মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ অসিগী ফুংগা ৱারী (tradition) ওইবা, মী পুম্নমক্না খংনবা ৱাফমনি। অইবনা য়াম্না শম্না ইবনি।

কংলৈপাক্কী মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ (race) অসিগী মীশেল্লোন অসি Science কী মায়কৈদগী অমসুং ৱাংউলোন (Philosophy)

গী মায়কৈদগী অনিথোক্লা য়েংবা য়াই। সনামহী লাইনিংথৌদা মপাপুঙ ইবুংঙো সালাইলেল সিতপনা মী শাও হায়রগা, নমু-মিতমঙা (ঙামু) অমা শারগা মী শারে হায়দুনা কৎশিল্লকই। মপাপুঙনা মসিদি মী নত্তে হায়দুনা মথৌৱাই হাপ্লগা ঈশিংদা থাদোকখ্রে। মথৎ-মথৎ, য়োং ফাওবা শারগা মীনি হায়দুনা কৎশিনবদা মপাপুঙনা য়াখিদ্রে। মপাপুঙগী পাউতাক মতুং ইন্না সালাইলেন সিতপগী মশক (মমি) য়েংদুনা শাবদগী মপাপুঙনা মীনি হায়বা য়াদুনা, ঐখোয় হৌজিক লৈরিবা মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ অসি ওইখিবনি। মসিগী ৱাখল্লোন অসি তশেংনা মুন্না য়েংবদা, নোংচুপ লমগী Science কী থিজিল্লোন্না ১৮/১৯ শুবা চহীচাদা খংলকপা Evolutionary Theory/Evolutionary Theory of Species হায়বা অদুনি। নোংচুপলোমগী মীশিংদগী কংলৈচাশিংনা চহীচা কয়া হান্না শিংই।

অনিশুবা মীৎয়েংদা তাইপঙ মী হায়বা থৌৱাই পানবা কাংলুপ অসি শিতপা মপু মাগা খ্বাইদগী নক্লবা, মপু মাগী মশক মতৌ য়েংলগা লাইনা শাখিবা থৌৱায় পানবা পোৎশকনি, হায়বা ৱাখল্লোন (philosophy) অসি খংখিবা তাইপঙ মীওইবা কাংলুপ অসি কংলৈপাকতা পানখিবা মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ (Human race group) অদুনি। মালেমগী মী কাংলুপ পুমম্নমক্তগী কংলৈচাশিংনা ৱাখল্লোন অসি খংবা চহী চা কয়া হাল্লি।

A Bible study on MATTHEW by Rose A. Goodman গী লমাই ৬০ দা অসুম্না ইরি:-



"And God said, Let us make man in our image , after over likeness"

Holy Bible by Bible Education and Missonary service, Gulfport, Mississippi, USA (BEANMS) কী Chapter I, GENESIS অদু মথক্কী অসিগা চপ মান্ননা ই। Judism না The Hebrew Bible গী মতাংদা অসুমা ইরি:- "The earliest story of the Hebrew Bible, given in genesis I-II, have a Mythic quality that is universally appealing . The story of the origin of the world presents God as an intelligent, active mesculine power who overcomes primeval chaos." page 271 "God walks and eats; and having made the garden to enjoy, he strolls in it when he wants to enjoy its cool breezes" page 273. মসিনি নোংচুপলোমগী Bible গী ফিভম। মসিদি ৱাংউলোন(philosophy) সু নত্তে, Science (Evolutionary Science) সু নত্তে। মসিদি চুম্না , ইচম চম্না ৱাহৈ খরা ফোংদোকপগী ৱানি। করিগুম্বা মতমদা Judism দা ইরিবসি পারুবদা নোকনিংবসু পোকই।

অদুবু ঐখোয় মীতৈগী সনামহীনা মী শাবা হায়বা ফুংগাৱারী (Tradition) অসিদি য়াম্না ৱাংবা ৱাংউলোন (philosophy) অমদি Science কী ওইবা ৱাখল্লোন্নি, তাইপঙ মালেমদা মপা লৈতে,য়াম্না চুম্না অমসুং ফোংনা পুথোক্লম্বা (pragmative) ওইবা ৱাখলনি।

মরম পুম্নমক অসিননি, অইবনা ইতৎ তৎতনা, পুয়াদা ইরম্বা

ৱাখল, ৱাখল্লোন ফোংদোক্লদুনা, হায়জরিবা ৱাফম কংলৈচা মীতৈদি মালেমদা, হিন্দুশিংনা পুয়া মৈ থাদিঙৈদা, ৱাংউলোন (philosophy) অমদি Science তা মালেমগী লুচিংবনি হায়জখিবা।



Sun God Surj Deva Numit

কংলৈচা মীতৈ ঐখোয়না 'নুমীৎ' হায়না কৌরিবা পোৎশক, অতিংআ দা অতাওবা মঙাল মৈশা থোকপা পোৎশক ওইরিবা অসিবু, নোংচুপলোমনা Sun নত্রগা SunGod, অদুগা হিন্দুশিংনা Surja নত্রগা Surja Deva কৌই, কংলৈচা মীতৈশিংনা 'নুমীৎ' কৌই। মীতৈগী মিং 'নুমীৎ' হায়বসিগা, হিন্দু অমসুং নোংচুপলোমগী কাংবুনা পোৎশক অসিবু SunGod অমসুং Surja Deva কৌরিবা অসিগা খেন্নবা খঙবিব্র?

মীতৈদি Sun বু 'নুমীৎ' হায়নতমক কৌই, লাই নত্রগা দেবা নত্রগা God হায়বা ৱাহৈমচেৎ অমতা পক্শিন্দে। করিগীনো খঙবিব্রা?

'নুমীৎ' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোকতি, নুমীৎ = নু + মীৎ হায়বনি , কংলৈচাশিংনা মীতৈলোন্দা 'নু' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক 'মী' হয়বনি, নুপা নুপী অপুনবা খংনবা ৱাহৈ (Common Gender) নি, নু + পা = নুপা (Masculine Gender), নু + পী = নুপী (Feminine Gender) নি। মফম অসিদা 'মীৎ' হায়রিবা ৱাহৈ অশিনা মীওইবগী 'মীৎ' (Eye) হায়রিবা মায়দা পাল্লিবা মীৎ অনি অসিবুনি। 'নুমীৎ' হায়বা পোৎশক অসিগী ৱাহন্থোকতি মীওইবা ঐখোয়গী উবগী



পাম্বৈ ওইরিবা, উবগী পাঙ্গল পীরিবা পোৎশক হায়বনি। 'নুমীৎ' (Sun) নত্রবদি মীওইবা ঐখোয় উবা ঙমলোই, হিংবা ফাওবা ঙমলোই। ৱাখল্লোন অসি হৌজিক্কী মতমগী physics নি।

ৱাফম অসিনা তাকলিবদি, কংলৈচা মীতৈশিংনা Sun বু 'নুমীৎ' হায়না কৌখিবা নুমীৎ অদুদগী চহী লিশিং কয়াগী মমাংদগী , Solar System , The Importance of Sun in the Solar System খংলে হায়বনি। মালেমগী মীওই কনাসু খঙদ্রিয়ঙৈদগী মীতৈদি খংলবনি। য়েৎনবগী লম্বী লৈতে। মতম অদুগী ইপা-ইপুশিং অদু মীতৈনি , ঙরাংদা শেমজিনবা ৱাহৈ 'মৈতৈ' নত্তে।

## EXTRATERESTRIAL ORIGIN OF LIFE:

নোংচুপলোমগী কাংবুনা হৌজিক ফাওবা নিংথিনা খংদ্রিবা, ঐখোয়না লৈরিবা মালেম ইমা অসিগী লৈমায়দা লৈরিবা মথৌৱাই পানবা পুন্নমক্কী থৌৱাই অসি নোংমতোন অতিংআ দগী লাকপনি , মালেম অসিদা লৈরম্বা নত্তে হায়বসি, কংলৈচা মীতৈশিং চহী লিশিং কয়াগী মমাংদগী খঙখ্রে। মালেমগী মীওই পুন্নমক্কগী Science কী ৱাফম অসি কংলৈচা মীতৈশিংনা চহী লিশিং কয়া হান্না খঙই।

খংবগী খুদম:

১। কনাগুম্বা ইমুং অমগী ইংখোলদা থৌৱাইমিচাক মথী (Metiorite) তারবদি ইমুং অদুগী নুপী অমা মীরোল্লি হায়বসি কংলৈচা মীতৈশিংনা নিংশিংবা থোক্লবা মতমদগী থাজনবীগী

ৱারী (Tradition) অমা ওইনা লীনদুনা লাকই। হায়রিবা ৱাফম অসি, নোংচুপলোম্না হৌজিকফাওবা নিংথিনা খংদ্রিবা Extrateristrial Origin of Life হায়বা Science কী ৱাফম অদুনি।

২। ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা ইরিবা = "লাইনিংথৌ সালাইলেন সিতপাকী মফমতা তলঙ লইপাউ পীতুনা। নুমীৎ হুমনি সুপাকী অঙাংকী মতম কুম্না সানাকী মশক মালপা নৌৱা ꯱ (অমা) ওইনা লৈলমকে। ঐ অসিপু নহাক্কী নচামকনি নিংতুনা ঐপু য়োকলো।। হয়েং চক অমাতা তাইপঙপালপা মনুঙ ওইননপতা। লাইয়ামশিংগী ঈয়েক খোনথোক মতুংইন্না মাঙতানপা উলি ৱালি। মীনাচিংপা অসি খৈপিকপু সালকপা মতমতা ঐনা নঙকী নতেং পাংকনি হায়না তলঙ লাইপাউ পীখিয়ে।।" অসি নোংমতোন্দাগী তাইপঙগী থৌৱাই অসি লাকই হায়বগী তরং তরংবা খুদমনি।

৩। ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংগী লাই হরাউবদা, 'লাইবৌচোংবা' হায়রিবা অদু 'লাইপাউ চোংপা' হায়বনি। (২) নি শুবদা ইজখিবা তিংপাল মপু মানা তাইপঙদা ঐ থৌৱাই পানবা শেম্বা "লাক্লগে" হায়না 'লাইপাউ' পীরকপা অদুবু হরাউদুনা চোংবনি। মথংদা হরাওবদা 'কোক শারে, খুৎ শারে' অসিনচিংবা জগোই শারিবা অদু মথক্কী লাইপাউ মতুং ইন্না মালেমদা মী শেম্লকপনি।



৪। ঐখোয় মীতৈ কংলৈচাশিংগী ৱাহৈশিং থৌৱাইমিচাক, থৌৱাইমিচাক চৈয়োম তলেৎ, চৈওন তলেৎ হায়রিবা ৱাহৈশিং অসি অতিংআদা থৌৱাইপানবা পুম্নমক শেম্নবা মচাক লৈ হায়বনি।

থৌৱাইমিচাক = থৌৱাই + মি + চাক, 'থৌৱাই' হায়বদি তাইপঙগী থৌৱাই , 'মি' হায়বদি 'হে থৌৱাই মঙামক মিকা থানা তলুকমক' হায়বশিদা য়াওরিবা তিংপালপা মপু 'মি' অদুনা তাইপঙ থৌৱাইপানবা পুম্নমক শেম্নবা 'চাক' মচাক পুম্নমক পুনশিন্দুনা য়াওবা অতিংআগী পোৎশক (Star) হায়বনি।

মথক্কী 'থৌৱাইমিচাক চৈয়োম ৭' হায়রিবা অদুদা য়াওরিবা 'চৈয়োম' = চা + ঈ + য়োম হায়বনি, হায়বনিন 'চা' হায়বদি মচা, অঙাং, মী হায়বনি, 'ঈ' মী ওইবগী ঈনা শাবা হকচাং অসি হায়বনি, 'য়োম' হায়বনা ময়োম, মপুল হায়বনি। মরম অসিনা 'থৌৱাইমিচাক চৈয়োম ৭' হায়বদি অতিংআদা 'থৌৱাইপানপা পুম্নমক শেম্নবা মচাক ময়োম শুনা পুন্না য়াওরবা থৌৱাইমিচাক ৭ (Seven Star) লৈ হায়বনি।

হায়রিবা পুম্নমকসি কংলৈচাশিংনা নোংচুপলোমদগী, ইনি দয়া য়াওনা, Science কী লম্বীদা য়াম্না হেন্না খংলম্বগী খুদম ঙাকতনি। পুয়া মৈ থাখিবদগী পুম্নমকসি তুম্না মাংখিবনি।


Big Bang Theory of the Origin of the Universe etc: মীতৈদি খৃ: না পোকত্রিঙৈগী আ: মমাংদা

খংই। পুম্মমক অসি পুয়াগী অইবা খুদম ঙাক্তনি। ৱাকোকলোনহীলেল থিলেন সালাই অমা-ইলোনপুকোক পুয়া নৈনবিয়ু শোয়দনা খংগনি।

'মীতৈ' হায়বা, কংলৈচাশিংগী অশেংবা মী কাংলুপ অসিগী মমিং অসিগী মহুৎতা "মৈতৈ" হায়না শিনজিল্লকপসি ২০ শুবা চহীচাগী লোইরমদাইদা 'মীতৈ' হায়বা মী কাংলুপ অসি মালেমদগী মুৎখিনবা শেমজিল্লকপনি, 'মৈতৈ' না 'মীতৈ' গী মহুৎ শিনবা শুকয়া য়ারোই হায়না অইবনা লাইরিক কয়াদা , চীন্না অমসুং অইবা ৱাফোং কয়াদা ফোংদোকখ্রবনি।

মখাগী মণিপুর সরকারগী লাইরিকশিং অসি য়েংবিয়ু:




3 - JUN 1993

মীতৈলোনগী ব্যাকরণ
অহানবা

(FOR MANIPURI LOWER PRIMARY SCHOOLS)


BY

THE LATE HON[illegible]ARY INSPECTOR OF SCHOOLS, MANIPUR, WITH THE AID OF MANIPURI TRANSLATORS

[illegible]TH EDITION

PUBLISHED AT THE GOVT. LIBRARY, MANIPUR, IMPHAL.

PRINTED AT THE GOVERNMENT PRESS, MANIPUR
1963



মীতৈলোনগী অনিশুবরকপদা

তম্বা লাইরিক।

তিনশিনুংবা মমেক।

য ফলা।

ক্য খ্য গ্য ঘ্য ঙ্য, চ্য ছ্য জ্য ঝ্য, ট্য ঠ্য ড্য ঢ্য ণ্য,
ত্য থ্য দ্য ধ্য ন্য, প্য ফ্য ব্য ভ্য ম্য, য্য র্য ল্য শ্য,
ষ্য স্য হ্য ক্ষ্য।

ক য ক্য,—ক্যাপ, ক্যাপ। ক্যাম্লৈ মতোনদা থুগাই ফিজেং লৌংখি।

র ফলা।

ক্র খ্র গ্র ঘ্র ঙ্র, চ্র ছ্র জ্র ঝ্র, ট্র ঠ্র ড্র ঢ্র,
ত্র থ্র দ্র ধ্র ন্র, প্র ফ্র ব্র ভ্র ম্র, শ্র ষ্র স্র হ্র।

ক র ক্র,—ক্রুক্ ক্রুক্। ময়া ক্রক ক্রক চিক্‌পা ঙাংবা ফৎতবা মীনি।

খ র খ্র,—হৈখ্রে, পেখ্রে, পীখোক্‌খ্রো। পীখোক্‌খ্রবা পোৎ অমুক্ লৌশিনবা হৌনদে।

গ র গ্র,—হৈগ্রেং থংগ্রো। হৈগ্রু চারগা ঈশিং থক্‌পা থুমই।

ঙ র ঙ্র,—ঙ্রং ঙ্রং ঙংবনা অঙাংগী হৌনবনি।

মথক্কী মণিপুর সরকারগী তম্বা লাইরিকশিং অসি, মণিপুরগী মীয়াম্না অমসুং সরকারশিংনা মথং মথং, 'মীতৈ' হায়বা ৱাহৈতমক ২০ শুবা



চহীচাগী অনিশুবা তংখায় ফাওবা শিজিন্নদুনা লাকই হায়বগী চেনবা য়াদ্রবা খুদমশিংনি। মীতৈশিং মালেমদগী মুথৎখিনবা মীতৈগী থাক ৱাংলবা ৱাঙুলোনন মাঙহন্নবা লৌতুনবা অমগী মখাদা 'মৈতৈ' হায়বা ৱাহৈ অসি ২০ শুবা চহীচাগী লোইরমদাইদা শেমজিল্লকপনি হায়বসি হৌজিকতি মীয়াম্না তশেংনা খংবিরম্লগনি হায়না থাজৈ। কনানা, করম্বা মী কাংলুপনা , করিগীদমক 'মৈতৈ' হায়বা ৱাহৈশি শেমজিল্লকলিবনো হায়বসি তশেংনা খংনবা মীয়াম্না হোৎনবিয়ু , লোইননা 'মৈতৈ' হায়বা ৱাহৈশি কংলৈ পুৱারীদা হিন্দুগী মমাংদা লৈরমদে খংবীয়ু।

## অদোম্ব খংবিরম্বা

খৃ: ১৮৫০ দা মণিপুরদা হিন্দু নিংথৌ ওইনা পাল্লম্বা "মহারাজ দেবেন্দ্রনা থা অহুমদং নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্বা তেল্লবা মতমদা মনাও ইবেম্ম ৯৬ লৌরম্বা মাগুম্বা নিংথৌ অতাংবনি" লা: ৫২, মৈতৈ নিংথৌরোল, সরাংথেম বরমনি সিংহ।

নিংথৌ দেবেন্দ্রনা নোংমদা নুপী ১দগী হেন্না লৌই। T.C. Hodson না ইবা The Meitheis গী লা: ৭৬ সু য়েংবিয়ু।

ভৈগ্যচন্দ্র মহারাজনা "মজাইবেম্মনা নীংজবা পুক্লিং থুংহনবিগে খল্লদুনা মহারাজনা নবদ্বিপতা মন্দির শাবিদুনা বীন্দ্রাবতীনা অনু প্রভু লাৎতুনা শিজ লাই ওংবী (লাইরোইবী) মমিং ওন্দুনা মফমদুদা লেংদনা লৈখি।" লা: ১৫৪, মৈতৈ নিংথৌরেল সরাংথেম বরমনি সিংহ।

"নদীয়া নিংথৌ শ্রীকৃষ্ণ চন্দ্রনা
অনু প্রভু লাৎপীরনু হায়রকপা।"

"মতাং অসিদা মীতৈ লৈপাক্কী অঙম অথৌ মখৈনা চীংঙথং খোম্ববু অঙকপা ফংনা চীংনখি। মীতৈ নিংথৌসু লৈপাক্কী মিৎয়েংগী মথকতা তৌগে হায়বা অমগা লোইননা মচা নুপীগবু পুন্না য়াহিপতুনা য়ুমতিন্নবা উৎচখি।" লা: ৫১, মীতম্বাল ভৈগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপ)।

" শ্রীমতি সীজ লাইলোৎপীনা পীবুকনুংগী
নৱাবু লৌথোক্লবা হোৎনবদা পুনসি পিখম্লখি।"
-লা: ৬৮, মীতম্বাল (ভগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপ)

"মদুদা পেন্দদুনা শ্রী মধুচন্দ্রনা মপাবুংবু শাউরপ খা চিক্লা খোংপাক লমজোই হুন চোংশিন্দুনা ঙবোং খাওদা লৈরিবা মপাবুংবু থক থক কাওশিনখি। হিংনা-হিংনা ঙবোং খাউদা হান্দুনা চীংথংখোম্ববু তুলশি মথৌবুং লমলেল খাংলেনফমদা থম্বিখি।" -লা: ১২১, শামু ফাবগী মতাং (ভগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপ)

১৮ শুবা চহীচা ফাওবা লৈপাক অসিগী মমিং কংলৈপাক কৌরমই। -লা: ১১০, চৈথারোল কুম্বাবা (Ed. 1967), মীতম্বাল - লা: ৬০ য়েংবীয়ু।

ঐখোয়না হৌজিক 'নোংমাইজিং' হায়রিবা নুমীৎ অসি 'লংমাইচিং' কৌরমই, মীশেমলোনগী ৱাহৈনি, মীতৈশিংগী ৱাংলবা ৱাখল লৌশিং মুথৎনবা হিন্দু নিংথৌশিংনা ওন্থোকখিবনি। চৈথারোল কুম্বাবা (Ed. 1967) লা: ৩০, ৪২, ৪৪, ৫২, ৫৩, ৫৭, ৬৯ অসিনচিংবা য়েংবীয়ু।



" In Muneepoor, this cavalry has invariably proved most formidible to the Burmahs, and is the arm on which they themselves rely with the greatest confidence. "

"... though from the superiority of their arms, they are more than a match for an equal number of Burmahs in open field" - please see page 48, Manipur Treaties and Documents Vol-I by N. Sanajaoba.

Marjeet " renounces all claim on the Kubo Valley, and to acknowledge his dependence on the Burmah King " - please see page 43, Manipur Treaties and Documents Vol-I by N. Sanajaoba.

" This invasion of Alompra must have been most disastrous in its consequences to the Muneepoorees, as they then for the first time sought external aid, and appeared a few years afterwards as supplicants for British Protection " - please see page 39, Manipur Treaty and Documents Vol-I by N. Sanajaoba.

" In the month April Chandraklya came (a Burmese) and took possession of the Manipur Palace. He built Sanjenthong (a bridge over the Imphal River). He compelled the people of Manipur to leave their holy thread (Poita) by force. " - please see page 87 of the Diary of Manipur (1904).

Here "Poita" means Lukun (Nogun) of Hindu.

" In the month of September Rajah Bhagyachandra by the

direction of Jogannathjee took procession of a begger and begged from door to door like an ordinary begger for 7 days " - please see page 88, Diary of Manipur (1904)

" The Rajah Ordered and engaged some pandits to writeout the Manipur Ningthouron or the History of the Rajah's as used to be written at the time of his forfathers. " -please see page 105, Diary of Maipur (1904).

This is during the days of Rajah Bhagychandra. He rewrote the history of Kangleipak.

খৃ: ১৭১৯ দা "হাওবমচা পুখ্রম্বগী লুনচিংনা লৈপাক পুম্নমক লু তৌএ" Please see page 68 , চৈথারোল কুম্বাবা (1967 Ed.)

মথক্তা হায়রিবা ৱাফম অসি কংলৈপাক্কী মফম পুম্নমক্তা ফুমখিবা ইপা-ইপুশিংগী লূশিংবু পামহৈবগী মতমদা তৌথোক্তুনা লৌথোক্লগা মৈথাদোকই , খরনা নিংথি তুরেলদা পুরগা থাদৈ হায়বা অদুনি। ৱাফম অসি পামহৈবা লারৈ লাথুপতসু য়াওই।

খৃ: ১৭৩২ AD দা "হাওবমচা পুখ্রম্বনচিংনা লৈপাক পুম্নমক্কী মৈহৌরোলবু শলাই খাইনা ইবা হৌএ।" Please see page 80 , চৈথারোল কুম্বাবা (১৭৬৭ Ed.)

মথক্কী অসি কংলৈপাক্কী পুৱারীবু হন্না ইথোকখিবগী ৱানি। হৌজিক্কী চৈথারোল কুম্বাবা অসি অসিগুম্বা পুৱারী অশি হনচিন হনচিন শেমদোক্লগা থোকলকপা মহৈনি।

"২৬ নিন য়ুমশকৈশদা গরবিনিৱাজ মহারাজনচিংবা মচা ইবুংঙো শ্যামশাই, কিশোরশাই, বামন ৱারিবা হনজবা মপা মচা অনিমক ,



ব্রহ্মরাম কৃষ্ণ , লম্বোইবা লোকদাস , মোইরাং লালহাবা, কত্থান মনাও ফৈদা হনজবা , মনাও শেলুংবা অঙোম চন্দ্রমনি , নাওরোইবা শেলুংবা, নিংথৌখোংজম কামদেবা , নিংঙোম্বম শ্যামরাম, ৱাংখৈ মাইমু ফৈদা হনজবা , তখেল লম্বু লাইরেন তুম্বা অসি পুম্নমক লোইননা তোনফাং হিথানেন ব্রহ্মপুত্র মপান্দা লিলা ওইএ" please see page 108 , চৈথারোল কুম্বাবা (1967 Ed.)

মথক্তা 'লিলা ওইএ।' হায়রিবা অদু শিখি হায়রিবনি। তোলেল তোম্বনা নিংথি তুরেল তোরবান্দা , পামহৈবা অমসুং মাগী কাংবুবু তান্নদুনা হাৎখিবা অদুগী ৱাফমনি। 'তোনফাং হিথাখেন' হায়বদি নিংথি তুরেল তোরবান্দা লৈবা হিথাংফম অমনি। কংলৈপাক্কী বর্ম্মগা তাইনবদা লৈবা তুরেল অমনি নিংথি তুরেল হায়বসি। অদুবু চৈথারোল কুম্বাবদা , অশামদা লৈবা তুরেল ব্রহ্মপুত্র মপান্দা লৈবতৌনা "তোনফাং হিথাখেন ব্রহ্মপুত্র মপান্দা" হায়না ইশিল্লিবদু নোকনিংদ্রা ? চৈথারোল কুম্বাবসি য়াম্না চুম্না ইখ্রবা জাৎ ওইরমাল্লে।

" Rejecting, as totally unworthy of attention, the Hindu origin claimed by the muneepoorees of the present day, We may safely conclude them to be the descendants of a tartar colony, which probably emigrated from the North West borders of China during the sanguinary conflicts for supremacy, which took place between different members of the China and tartar dynesties, ... " - please see page 37, 38, Eastern Frontier of British India by R.B. Pemberton.

" The men are not heavy, though averaging about five feet seven inches. The women are four inches shorter than the men. " - please see Page 3, The Meitheis by T.C,. Hodson.

" Should it be a correct view that the valley of Manipur was at no very distant period covered entirely by water, the origin of the Manipuries from the surrounding hill tribes is the proper and only conclusion to be arrived at. " - please see Page 7, the Meitheis by T.C. Hodson.

" The chronicles state that the Khagemba, in 1627 AD, experimented to make big guns and prepared one metal gun of big size " - please see Page 21, The Meitheis by T.C. Hodson.

" The climate is favourable for the production of Mulbery trees which form the food of the silkworms. The floral wealth of the country as a whole is famous. Sir George Watt, K.C.I.E. says that 'probably no part of India had such varied and beautiful flora. On going into Manipur the first thing that struck the traveller was the enourmous number of trees with which he was not familear in other parts of India. Speaking from memory he belived that there were probably twenty species of the Oak trees. Manipur was the home of the tea plant. Another interesting fact about Manipur was that it was the home of the Silkworm. He belived it highly probable that the real mulberry silk insect originated in Manipur



and went from there into China" - please see Page 44, The Meitheis by T.C. Hodson.

" ... the records distinctly show that upto the formal introduction of Hinduism in the Reign of Pamheiba, the people burried their dead, eat meat, drank ardent spirits, and behaved just like the hill people of the present day " - please see Page 97, The Meitheis by T.C. Hodson.

" The name Manipur is only applicable, properly speaking, to the Hindu dwellers of the plains. The wild tribes are divided generally into the two classes of Naga and Kuki. "

" There is not apparently any racial differences between the Hindus and the savages-dwellers in the plains and the dwellers in the hills- but only a difference of Religion " - please see Page 13, Gazetteer of Manipur by E.W. Dun.

" The sports of the day conclude with a feast, at which they are regaled with the flesh of cows, buffaloes, dogs, cats etc. which may have died in the valley. The flesh is dried and preserved on purpose for this feast. " - please see Page 25 Gazetters of Manipur by E.W. Dun. Please see page 83 also, Statistical Account of Manipur by R. Brown. Please see page 60, The Naga Tribe of Manipur by T.C. Hodson.

“ A Burmese army was immediately despatched to size the rebel, they were encountered by the Manipuries at Kokshing, the scene of many former struggles between the the same troops, and the contest was at length terminated by the retreat of Marjit, who, deserting his troops, fled precipitately towords Cachar, ... ” - please see Page 43, Gazetteer of Manipur by E.W. Dun.

“ The Marrings say the place of the origin of a portion of this tribe is the part of the Manipur capital at present called Haubam Marak, and that another portion took their origin at Leisangkhong, .... ” - please see Page 15, the Naga Tribes of Manipur by T.C. Hodson.

“ Haubam Marak is claimed by the Tangkhuls as the place of their origin ” - please see Page 16, the Naga Tribes of Manipur by T.C. Hodson.

অইবগী খোর্জেদগী ফোঙম্নবা :-

| | | |
|---|---|---|
| ১. | মীতৈগী নোংকালোন | (1980) |
| ২. | কংলৈপাক শক্তম | (1980) |
| ৩. | মীতৈ/মৈতৈ করম্বনা চুম্বগে? য়েক সালাই করি-করিনো? | (1993) |
| ৪. | From the Pages of History: THE MEETEI AND THE BISHNUPRIYA | (1999) |
| ৫. | A Historical Evidence that proves the falsehood of the Present History, Literature, etc. of Manipur. | (2000) |
| ৬. | A Short History of Kangleipak (Manipur) part-I | (2005) |
| ৭. | ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক (পুয়া অসিগী ৱাফম খরগী ৱাহন্থোক পীবগা লোইনবা) মণিপুরগী সরকারগী স্কুল অঙাংশিংদা তম্বীনবা পুথোক্লিবা মীতৈ ময়েক্কী মতাংদা অহকপা য়ানীংদবা খরা। | (2006) |
| ৮. | A Short History of Kangleipak (Manipur) Part-II | (2007) |
| ৯. | A Short History of Kangleipak (Manipur) Part-III | (2008) |
| ১০. | Kangleipak:The Cradle of Man. | (2010) |
| ১১. | Discovery of Kangleipak (Series-I) | (2011) |
| ১২. | Kangleipak: The Cradle of Man (II-Edition) | (2012) |
| ১৩. | মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক (The Cultural Dictionary of the Meetei Words) অহানবা শরুক | (2012) |
| ১৪. | Discovery of Kangleipak (Series two) | (2013) |
| ১৫. | Wakoklol Heetel Thilel Salai Ama-ilon Pukok (in Sapa Mayek) | (2013) |
| ১৬. | মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক-অনিসুবা শরুক (The Cultural Dictionary of the Meetei words) | (2013) |
| ১৭. | Bamon Khunthoklon (in English) | (2013) |
| ১৮. | Discovery of Kangleipak (Series Three) | (2014) |
| ১৯. | মীতৈ/মৈতৈ করম্বনা চুম্বগে? য়েক সালাই করি-করিনো? (অহুমশুবা নমথোকপা) | (2015) |
| ২০. | মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক (The Cultural Dictionary of the Meetei Words) (অহুমশুবা শরুক) | (2015) |

লাইরিকশিং অসি অইবগী য়ুমদগী ফংবীগনি ।

ফোন: 8974577213 - e-mail: chingtamlen@gmail.com